www.sanaleibak.in

# সনালৈবাক SANALEIBAK

PROGRESSIVE JOURNALISM

24 Carat/g : ₹ 15,206 | 22 Carat/g : ₹ 13,935 | 1 Kg Silver : ₹ 2,34,886 | 10 Gram Silver : ₹ 2,350 | WEATHER: Scattered Thunderstorm | Temperature 28/22°C | Sunrise: 04:56 AM | Sunset : 05:29 PM | Petrol : ₹ 106.87 | Diesel : ₹ 92.57 | GAS TODAY Nil | sanaleibakdaily

Volume No: 50 Issue: 265 | IMPHAL, SATURDAY, SEPTEMBER 5, 2026 | মালিয়াফম পালচা কুমশীং ৩৪২৪–২৫ | থাংজ, থৱানগী ২৪ নি পানবা | RNI Regd. No. 31350/77 | PAGE : 8 | Price: ₹ 5.50

## ৱাখলগী চিঙ্গাক

চেক্তা চেকশিল্লগা নহাকপু
কনবীনবা কনাসু লৈরোই
নহাক্কী দায়ত্বদি নহাকনি

## ওজাগী নুমিৎতা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৪ (এস এন এস)ঃ ওজাগী নুমিৎনা লাকপদা মণিপুরগী গভর্ণর অজয় কুমার ভল্লানা মণিপুরদা লৈরিবা ওজা খুদিংমক্তা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

নুমিৎ অসিগা মরী লৈননা গভর্ণরগী মায়কৈদগী থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, ওজা অমনা খুন্নাই অমবু অফবা লম্বীদা পুরক্কদবা মীওইশিংগী ৱাখল লৌশিং পীদুনা অফবা য়ুম্বী ...মখা লমায় ৫দা...

## আর কে ইমোনা মান্দপ শঙ্গাখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৪ (এস এন এস)ঃ শগোলবন্দ এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী এম এল এ, আর কে ইমোনা ক্বাকৈথেল থৌনাওজম লৈকাইদা লুপা লাখ ২৯ রোম চঙনা নৌনা শেমগৎপা মান্দপ অমা ঙসি শঙ্গাদুনা মীয়ামদা খূৎশিন্নখ্রে।

এম এল এ লোকেল এরিয়া দিভলপমেন্ট ফন্দগী শেনফম্না শেমগৎপা মান্দপ অদু শঙ্গাবগী থৌরমগা মরী ...মখা লমায় ৫দা...

## য়াইফ থৌনি থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৪ (এস এন এস)ঃ ইরমদম মণিপুর আর্টিষ্ট এসোসিয়েসন (ইমা)গী অনৌবা প্লে 'লুখ্রাবী তঞ্জায়'গী য়াইফ থৌনি থৌরম পাঙথোকখ্রে।

শুমাং লীলা কাংলুপ অসিগী কোনুং মমাঙদা লৈবা ওফিসতা ঙসি নৌনা পুথোক্কদবা 'লুখ্রাবী তঞ্জায়' হায়না মিংথোনবা প্লে অসিগী য়াইফ থৌনি থৌরম অদু পাঙথোকখিবনি। ...মখা লমায় ৫দা...

## এন আর এফ এমনা শিবগী চৈরাক পীখিবনি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৪ (এস এন এস)ঃ ঙসি সেপ্টেম্বর ৪গী অহিং পুং ১২.০৩ তাবা মতমদা ইম্ফাল ইষ্টকী কংলা শঙ্গোমশঙ অমসুং অঙোম লৈকাইগা লোন্নবা মফমদা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎলম্বা ইম্ফাল ইষ্টকী খাবম ময়াই লৈকাইদগী ৱাইখোম অথোই এলাইজ শিদবা অপোকপা দব্লিউ সিত্তল, অপোকপী প্রমোদিনী এন আর এফ এমনা শিবগী ...মখা লমায় ৫দা...

## লোইরেদনা

থবক লৈতবসিসু ঙাওইকো



সিদবু তৌজগেনা পৈশা কয়ানো
তীংলগা চঙলকইসে

## হেক্তা হায়জিনবা

### সে সে সেবোতি

সে সে সেবোতি
ঐখোয় মৈতৈ মশেলনি
কনানা ঙমগে য়েংনসি
সে সে সেবোতি
মীকোক থিনি লাউথোকপা
দেল্লিগী য়াথং ইঞ্জবা
মীতোপ খন্দোক্তনা
মীকোক থিবা য়ারোই লাউবা
থিগদৌবনা থিরো
থিংগদৌবনা থিংনি
কনানা ঙমগে য়েংনসি
মীকোক থিগে থিসনু
মীকোক থিরোই তোকসনু
মীরেপ মীখল শোয়দসনু
কানবা থৌরাং তৌদবা য়াদে
কনানা ঙমগে য়েংনসি
ঐখোয় মৈতৈ মশেলনি
সে সে সেবোতি

### এল চম্ফাই খুল অমদি লৈমখোঙগী কান্তো সাবলদা চৎতুনা য়েংশিনখ্রে

# হৌখিবা পূন্নমক কাওথোক্লদুনা অমদি ঙাক্লদুনা তঙদু লৈতাবা লাক্লবা পূন্না হোৎনসিং: খেমচান্দ



ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৪ (এস এন এস)ঃ হৌখিবা পূন্নমক কাওথোক্লদুনা অমদি ঙাক্লদুনা তঙদু লৈতাবা লাক্লবা পূন্না হোৎনসি হায়না চীফ মিনিষ্টর য়ুন্নাম খেমচান্দনা ফোঙদোকখ্রে।

কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা এল চম্ফাই খুলদা হৌজিক পায়খৎলিবা ৱাটর সপ্লাই প্রোজেক্টকী শেমগৎ শাগৎপগী থবক অমসুং থাং মৈবন্দ অকোয়বদা ঈশিং পীগদবা ৱাটর সপ্লাই পাইপ শেমজিনবগী থবক পায়খৎলিবশিং চীফ মিনিষ্টর য়ুন্নাম খেমচান্দ য়াওনা সাইতু এ সিগী এম এল এ হাওখোলেট কিপগেন, সেকমাইগী হৈখাম দিঙ্গো অমসুং থাংমৈবন্দগী কে ঐচ জয়কিসন য়াওনা পব্লিক হেল্থ ইঞ্জিনিয়ারিং দিপার্টমেন্টকী মরু ওইবা মীওইশিংনা য়েংশিনখিবনি।

য়েংশিন খোঙচৎ অদুগা মরী লৈননা লৈমখোঙদা লৈবা খৃষ্টিয়ান সেন্টর চর্চতা পাঙথোকখিবা মীয়াম তিনবা থৌরমদা চীফ মিনিষ্টর ৱাই খেমচান্দনা খৎনা চৈনবা, হাৎন–শুনবা থাদোক্লরগা তঙদু লৈতাবা লাক্লবা পূন্না হোৎনমিন্নসি। মণিপুরদা থোক্লিবা ইৱাং অসিনা মৈতৈ কুকি ফুরুপ অনীমক্তা চপ মান্ননা অৱাবা পীরি। মমাঙদা মহাক্লা আই দি পিশিংগা উনবদা ফুরুপ অনীমক্কী আই দি পিশিংগী অপান্বা অসি মশা মশাগী ময়ুমদা হঞ্জিনবনা ওই। মসিগী য়েংলগা মখা তানা ইৱাং শাগৎপগী মহুৎতা তঙদু লৈতাবা হঞ্জিনহনবদা পূন্না হোৎনমিন্নসি। লোয়ননা এল চম্ফাই খুলগী চেয়রমেনদসু পি ঐচ ই দিগী ওফিসিয়েলশিংনা ৱাটর সপ্লাইগী প্রোজেক্ট পায়খৎলিবা অসিদা অয়েৎ অপন পীবিদনা মপুং ফানা থবক তৌহনবদা মতেং তৌবিয়ু হায়না অপিল তৌখি।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা এম এল এ হাওখোলেট কিপগেননা মণিপুরদা ইং ...মখা লমায় ৫দা...

# মিলিটেন্টশিংগা শন্নদে, নাগা কুকি ইৱাং চাওথোক্লবা শীনখিবসু লৈতেঃ নেমচা

### য়ুম্ফম য়াওদবা মরাল শীজিল্লগা ফুরুপ অনীগী ইৱাং থোকহল্লোইসি

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ০৪ (এস এন এস)ঃ দিপ্যুতি চীফ মিনিষ্টর নেমচা কিপগেনবু কুকি মিলিটেন্টশিংগা শন্নরগা ইৱাং চাওথোক্লবা হোৎনৈ হায়না দিপ্যুতি চীফ মিনিষ্টর লোসি দিখোনা শীরক্লিবা মরাল য়ুম্ফম য়াওদবনি। য়ুম্ফম য়াওদবা মরাল কয়া শীজিন্দুনা ফুরুপ অনীগী মরক্তা হেন্না ইৱাং থোকহন্নবা শীনগুমসি হায়না নেমচা কিপগেননা শেংদোরক্লি।



ঙরাং দিপ্যুতি চীফ মিনিষ্টর লোসি দিখোনা পাউগী এজেন্সি অমদা পীবা ইন্টরভিয়ুদা শীরকখিবা মরালশিং শেংদোক্লদুনা নেমচা কিপগেননা হায়, কুকি লালহৌবগা শন্নে, নাগা মীচম ৬ হাৎপদা চেন্নবা অদু মপুরোইবনা লুচিংবা কে এন এফ–পিননি হায়বনচিংবা মরাল কয়া অসি অরানবা য়ুম্ফম য়াওদবা ৱাফম ঙাক্তনি। অসুন্না ফুরুপ অনীগী মরক্তা হেন্না ইৱাং থোক্লকপা য়াবা মখলগী অরানবা য়ুম্ফম য়াওদবা মরালশিং শীরকপা লেপ্পু। চহী অসিগী ফেব্রুৱারি ১১দা লিতান শারৈখোঙ মনাক্তা কুকিগী মীচম ২ হাৎখিবা থৌদোক্তা ফাজিন্দুনা থমখিবা নাগা ২১ তেক্তা কায়দনা থাদোকহনখিবা অদু মহাক্লা অপিল তৌখিবদগীনি। মদুদসু নত্তনা লৈরিবা সিভিল সোসাইসিট ওর্গনাইজেসনশিংদা অপিল তৌরবা মতুংদা মে ১৫দা নাগা ১৮ তেক্তা কায়দনা থাদোকখিবনি। মদুসু এম্বুসতা কুকিগী চর্চ লিদর ৩ শিখ্রবা মতুংদনি। মহাকপু খূৎলায় পায়বশিংগা চৎমিন্নৈ হায়রিবা অসি ৱাখলনা শাগৎপা খুদম চাংদম অমত্তা লৈতবা ৱাফমনি। অসিগুম্বা লান্না শন্দোকপা অমসুং য়ুম্ফম য়াওদবদা মরাল শীরক্লিবা অসিনা ফুরুপ মশেলগী মরক্তা থাজনদবা হেনগৎহল্লি।

লেসি দিখোনা পল্লিবা খূৎলায় পায়বা লুপ অদু ইন্দিয়া লৈঙাক্কা সস্পেন্সন ওফ ওপরেসন সূগী ফ্রেমৱার্ক মনুংদা লৈরিবনি। ...মখা লমায় ৫দা...

# বোম পোকখায়হল্লম্বা থৌদোক, ১৯৫১দা বেজ ইয়র ওইবা পামদবশিংনা চখরম্বা ওইগনিঃ হরেশ্বর গোশ্বামী



ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ০৪ (এস এন এস)ঃ সি এল পি লিদর কে মেঘচন্দ্রগী য়ুমদা বোম পোকখায়হল্লম্বা, এসেমব্লীদা এন আর সিগী বেজ ইয়র ১৯৫১ ওইগদবনি হায়না খন্নখিবা শরুক দি দি কে ইম্ফালগী লাইভষ্ট্রিমদগী লৌথোকখিবা থৌওং অসিনা এন আর সিগী বেজ ইয়র ১৯৫১ ওইহন্নিংদবা লৈরবদগী কোংগ্রেস পার্টিদা কিহন্নবা চখবা থৌওং ওইগনি হায়না এম পি সি সিগী ভাইস প্রসিদেন্ট হরেশ্বর গোশ্বামীনা ফোঙদোকখ্রে।

হীরম অসিগী মতাংদা কোংগ্রেস ভাবনদা ঙসি পাঙথোকপা পাউগী মীফমদা মণিপুর প্রদেশ কোংগ্রেস কম্মিটিগী ভাইস প্রসিদেন্ট হরেশ্বর গোশ্বামীনা মখা তানা হায়, দেমোক্রেসি চৎপা লৈবাক অমদা মরম হায়দনা বোম পোকখায়হনবা, নোংমৈ কাপশিন্দুনা কনাগুম্বা অমদা কিহনবা অকি অখঙ পীবা অসিদা য়াম্না লাইবক থীবা...মখা লমায় ৫দা...

# বেজ ইয়র য়াওদনা এন আর সি তৌনবা হোৎনরক্লিবা লৈঙাক্কী করি অরোনবা এজেন্দা লৈবগেঃ জে এফ দি



ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ০৪ (এস এন এস)ঃ মণিপুরদা এন আর সি অপদেট তৌনবা ৱারেপ লৌরগা বেজ ইয়র য়াওহন্দনবা হোৎনরক্লিবা অসি ইন্দিয়া অমসুং মণিপুর লৈঙাক অনীগী মনুংদা করি অরোনবা এজেন্দা লৈবগে হায়না কেম্পেইন ফোর জষ্ট এন্দ ফেয়র দিলিমিটেসন (জে এফ দি)গী ফাইনান্স সেক্রেটরি সুনিল করান্না হায়খ্রে।

থাংমৈবন্দ য়ুম্নাম লৈকাই পান্থোইবী ৱিমেন এসোসিয়েসননা শীন্দুনা থাংমৈবন্দ য়ুম্নাম লৈকাইদা মায়কৈ অদোমগী খুন্দারিবা নাগা অমদি মৈতৈ ফুরুপকী মীওইশিংনা নো এন আর সি, নো সেন্সসকী মতাংদা ফমখিবা ৱাকৎ মীফমগা মরী লৈননা ফোঙদোকখিবনি।

ৱাকৎ মীফম অদুগা মরী লৈননা সুনিল করান্না মখা তারদুনা হায়, মণিপুর লৈঙাক্লা এন আর সি অপদেট তৌগনি হায়বগী ৱাফম ফোঙদোক্লবসু তৌগদৌরিবা ...মখা লমায় ৫দা...

## খাবম লমখাইদগী ড্রগ লল্লোনবা ২ ফারে

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ০৪ (এস এন এস)ঃ সি দি ও ইম্ফাল ইষ্টকী টিম অমনা খাবম লমখাইদগী ড্রগ লল্লোনবা মীওই ২ ফাখ্রে।

ফারবা ড্রগ লল্লোনবা মীওই ২ দগী কোদিনগী পোৎলম য়াওবা বোট্টল ১৯০গা লোয়ননা মারুটি সুজুকি স্বিফ্ট ১, মোইবাল ফোন ২সু ফংবা ঙল্লে। ফারবা মীওই অনী অদুদি এম দি অফজল খান (২৪), এম দি জমির অহমদ এলাইজ অথোইবা (২৪)নি। মখোয় ২না পুরকখিবা কোদিনগী বোট্টলশিং অদু সেনাপতি মরামদগী লুপা লিশিং ৫০দা পুরক্লগা লুপা লাখ ১ রোমদা য়োন্নবা থৌরাং লম্বনি হায়রি।

# ফোরেন নেসনেল ৭ অৱাং নোংপোক্কী লালহৌ লুপশিংগা মরী লৈনরম্লে



ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ০৪ (এস এন এস)ঃ হৌজিক হৌজিক তিহার জেলদা লৈরিবা য়ু এস মচা মেথিয়ু ৱেন দায়কনা লৈবাক অসিগী মায়োক্তা লৈবা লালহৌবশিংদা চাউনা মতেং পীখি হায়না নেসনেল ইনভেষ্টিগেসন এজেন্সি (এন আই এ) না ফোঙদোরকখ্রে।

ম্যান্মারগী মিটকিয়ানা এয়ারপোর্টতা খামদুনা লৈরিবা পেসেঞ্জর প্লেন অমদা নোংথক্তগী এ টি আর–৭২–৬০০ না ...মখা লমায় ৫দা...

## ওজা ৭তা ষ্টেট টিচর্স এৱার্ড লান্থোক্লগনি

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ০৪ (এস এন এস)ঃ চহী খুদিংগী পাঙথোক্তুনা লাক্লিবা ওজাগী নুমীৎ টির্চস দে নুমীৎকা মরি লৈননা ষ্টেট লৈঙাক্লা হন্দক চহী অসিগী ওইনসু ওজা ৭তা ষ্টেট টিচর্স এৱার্ড ২০২৬ লান্থোক্লগনি।

কোনুং মমাংদা লৈবা সিটি কনভেন্সনদা ষ্টেটকী থাক্তা চীফ মিনিষ্টর য়ুন্নাম খেমচান্দ চীফ গেষ্ট অমদি গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুরগী চীফ সেক্রেটরি রাজিভ সিংহ থাকুরনা চীফ গেষ্ট অমদি প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়ারদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা টিচর্স দেগী থৌরম অসিদা লেমজনিংঙাই ওইরবা ষ্টেট টিচর্স এৱার্ড ২০২৬ কী মনা লান্থোক্কনি।

চহী অসিগী ওইনা ষ্টেট টিচর্স এৱার্ড ২০২৬ ফংগদৌরিবা ওজাশিং অদুদি বিষ্ণুপুরগী ওইনাম গভর্ণমেন্ট গার্লস হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী সাইন্স গ্রেজ্যুএট টিচর ওইনাম রঞ্জিৎ, ইম্ফাল ৱেষ্টকী কৈশামথোং হায় স্কুলগী হিন্দি গ্রেজ্যুএট টিচর হেদ মিষ্ট্রেস ইন চার্জ সলাম সুনিতা, ...মখা লমায় ৫দা...

# ১৯৫১না বেজ ইয়র ওইরগা এন আর সি অপদেট তৌদ্রিবা ফাওবা মীয়ামগী খোঙজং লেপকুমসিঃ জিতেন্দ্র

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ০৪ (এস এন এস)ঃ কুমজা ১৯৫১না বেজ ইয়র ওইদুনা ষ্টেট অসিদা এন আর সি অপদেট তৌদ্রিবা ফাওবা মীয়ামগা লোয়ননা চঙশিনবা দেমোক্রেটিক ওইবা খোঙজংশিং লেপ্লোইসি হায়না কেম্পেইন ফোর জষ্ট এন্দ ফেয়র দিলিমিটেসন (জে এফ দি)গী কনভেনর জিতেন্দ্র নিঙোম্বনা ফোঙদোকখ্রে।

নো এন আর সি নো সেন্সসকী মতাংদা খঙমিন্নবগী মীফম অমা ককৱা নামৈরাকপম লৈকাইদা লৈবা দিভাইন ক্লব কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখ্রে।

মীফম অসিদা ৱা ঙাঙলদুনা জিতেন্দ্র নিঙোম্বনা হায়, ষ্টেট অসিদা সেন্সস পাঙথোক্ত্রিঙৈ এন আর সি অপদেট তৌবা হায়বসি য়াম্না মরু ওই। মসিনা ষ্টেট অসিগী অশেংবা সিটিজেন মশক খঙদোকপা ঙমগনি। ঙসি ঙসিমক ষ্টেট অসিগী মীয়াম্না ১৯৫১না বেজ ইয়র ওইদুনা এন আর সি অপদেট তৌগদবনি হায়না তাল্লিবা দিমান্দ অসিদা এন আর সি, সেন্সস অমদি দিলিমিটেসন করিনো হায়বসি মীয়াম কুপ্না অমসুং নীংথিনা খঙমিন্নবা মথৌ তাই। হায়রিবা মীয়ামগা লোয়ননা চঙশিল্লিবা দিমান্দ অসি থবক্তা ওন্থোক্ত্রিবা ফাওবা দেমোক্রেটিক ওইবা খোঙজং চঙশিন্দুনা থৌদাং লৌমিন্নখিসি। ...মখা লমায় ৫দা...

# নাগানা এন আর সিদা সপ্লোর্ট তৌরিবসি মৈতৈশিংনা মীচং চঙবিরক্লবনিঃ গীঞ্জা

ইম্ফাল,সেপ্তেম্বর ০৪ (এস এন এস)ঃ মণিপুরগী নাগা লিদরশিংনা এন আর সি তৌবা অসিদা সপ্লোর্ট তৌরিবা অসি হৌজিক কুকি জোগা নাগাগী মরক্তা উংখৎন্নবা লৈবনা মৈতৈশিংনা নাগাগী মীচঙদা লেপ্পিনবগীদমক তৌবনি খল্লি হায়না কুকি জো কাউন্সিলগী স্পোকপার্সন অমদি ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি সেক্রেটরী গীঞ্জা ভাওলজোংনা ফোঙদোরক্লি।

মপানগী ন্যু এজেন্সিদা ফোঙবা পাও অমদা গীঞ্জা ভাওলাজোংনা এন আর সিগীদমক কিনিঙাই ওইদে। এন আর সি তৌগদবনি হায়না প্রপোস তৌরিবা থৌওং অচৌবা ৱাহং অমা ওইরক্লে। এন আর সি হায়বসি নেসনগী ওইনা চখগদবা ...মখা লমায় ৫দা...

# মীওইবা অমা ওইবগী ৱাখল্লোলদা থৌদাং লৌমিন্নবনা মণিপুরদা ইং তপ্পা হঞ্জিলহনবা ওইথোক্কনিঃ গুরু ভিবেক



ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ০৪ (এস এন এস)ঃ লাইনিং লাইশোন অমদি কাঙলুপ ফুরুপকী খেন্নবা থাদোক্লগা মীওইবা অমা ওইবগী ৱাখল্লোলনা মাঙথারগা অপূনবগী থৌদাং লৌমিন্নবা হায়বসিনা মণিপুরদা অমুক হন্না ইং তপ্পা হঞ্জিলহনবা ওইথোক্কনি হায়না ধরম জগরন সঙ্কস্থান ইন্দিয়াগী অচ্যরিয়া মহান শরাধী স্প্রিচুয়েল লিদর ডা. ভিবেক গুরু মহারাজনা ফোঙদোকখ্রে।

ধরম জগরন সঙ্কস্থান মণিপুরনা শীন্দুনা ইম্ফাল ইষ্টকী ৱাংখৈ নিংথেম পুখ্রি মপালদা লৈবা রামজি প্রভুগী মান্দপতা পাঙথোকখিবা শ্রী কৃষ্ণ জন্মআষ্ঠমী থৌরমগা মরী লৈননা স্প্রিচুয়েল লিদর ডা. ভিবেক্লা হায়, লাইনিং লাইশোন অমদি কাংলুপ ফুরুপ খেন্নবগী ৱাখল্লোল লৈরিবা অসি থাদোক্লগা ...মখা লমায় ৫দা...

## কমলা অমদি গুনমনিদা এৱার্ড পীরক্লে



ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ০৪ (এস এন এস)ঃ থা অসিগী ২দগীনা ৩ ফাওবা ন্যু দিল্লিদা পাঙথোকখিবা নেসনেল ইন্সটিট্যুট ওফ এজুকেস্নেল প্লানিং এন্দ এদমিনিষ্ট্রেসন (এন আই ঈ পি এ)গী ২০২৩–২৪ অমদি ২০২৪–২৫গী ওইনা ইনোভেসন এন্দ গুদ প্রেক্টিসেস ইন এজুকেস্নেল এদমিনিষ্ট্রেসনগী এৱার্ড লান্থোকপদা লৈশাংথেম কমলা অমদি অতোম ...মখা লমায় ৫দা...

# বাংলাদেশতা ইমা লোলগী নুমিৎ থৌরম পাঙথোকখ্রে

### অৱাংবা থাক্তা লৈরবা মণিপুরী লোলগী মগুন মাঙহন্দনবা হোৎনগদবনিঃ ডা. মহাম্মদ অসাদুজমন



সিলচর, সেপ্তেম্বর ০৪ (এস এন এস)ঃ মণিপুরী লোল, লিটরেচর অমদি কলচর ঙসিদি য়াম্না ৱাংবা থাক অমদা লৈরে হায়না লৌই। অৱাংবা থাক্তা লৈরবা মণিপুরী লোলগী মগুন মাঙহন্দনা ঙাক শেন্দুনা থন্নবা হোৎনগদবনি হায়না ইন্টরনেসনেল মার্দর লেঙ্গুৱেজ ইন্সটিট্যুট (আই এম এল আই) ধাকা, বাংলাদেশকী দিরেক্টর প্রোফেসর ডা. মহাম্মদ অসাদুজমননা ফোঙদোকখ্রে।

বাংলাদেশকী তেতাইগাউন, অদামপুর বজারদা লৈবা মণিপুরী কচলরেল কমপ্লেক্সকী ওদিটোরিয়মদা পাঙথোকখিবা ইমা লোলগী নুমিৎ (মণিপুরী লেঙ্গুৱেজ দে)গী থৌরমদা অথোইবা মীথুংলেনগী ৱারোল থল্লদুনা প্রোফেসর ডাক্তর মহাম্মদ অসাদুজমননা মখা তানা হায়, মীতৈ লোল অসি বাংলদেশকী প্রাইমারি স্কুল লেভেলদা হাপ্পগীদমক মীতৈ ময়েক্লা ইবা লাইরিকশিং ফোংবগী চাং হেনগৎহনবা মথৌ তাই। ...মখা লমায় ৫দা...

# ঐখোয়গী ট্রেদিসন অমদি কলচরনা মালেমদা মণিপুরিশিংগী মশক তাক্লিবনিঃ গোবিন্দাস কোন্থৌজম



ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ০৪ (এস এন এস)ঃ ঐখোয়গী ট্রেদিসন অমদি কলচরনা মালেমদা মণিপুরিশিংগী মশক তাক্লিবনি হায়না হোম মিনিষ্টর গোবিন্দাস কোন্থৌজমনা ফোঙদোকখ্রে।

রিলেসনসিপ বিত্বিন লিভিং ইনটাইটি এন্দ গোদ হায়বা হিরমদা কৃষ্ণ তত্বা সেমিনার ইস্কোন মণিপুরনা শীন্দুনা সঙাইপ্রৌদা লৈবা ইস্কোন মন্দিরদা পাঙথোকখিবা থৌরমদা ফোঙদোকখিবনি।

ঙসি পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা রাজ্য সভাগী মেম্বর অধিকারিময়ুম সর্দা, ইস্কোন মণিপুরগী চেয়রমেন একনাঠ দাস অমদি হিন্দু লাইনিংবু থাজবা মীওই কয়াসু শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা হোম মিনিষ্টর গোবিন্দাস কোন্থৌজমনা হায়খি, মণিপুরদা চাওনা অওনবা লাক্লে। অওনবশিং অসিগী মনুংদা ঐখোয় মশেলগী মরক্তা থক–খা খঙলক্তবা অসিসু অমনি। ...মখা লমায় ৫দা...

# পার্টিগী অপান্বা লৈতে, ইন্দিপেন্দেন্ট ওইনা মীখল থেংনগনিঃ নোংথোম্বম রাজেন্দ্রো



ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ০৪ (এস এন এস)ঃ
পোলিটিকেল পার্টি অমদগী মীরেপ ওইনা থোকপগী অপান্বা লৈতে। পার্টি অদুগী প্রেসরনা মীয়ামগী অপান্বগী মায়োক্তা লাকপা মতমদা তুমিন্না লৈথোকপা ঙম্লোই। মরম অদুনা মীয়ামগী অপান্বগী মায়োক্তা থবক তৌরিবশিং থেংনবা ঙম্নবা ইন্দিপেন্দেন্ট মীরেপ ওইনা ৱাখল্লোল মান্নবা টিমশিংগা মীখলদা শরুক য়াবগী খোঙথাং অসি লৌরকপনি হায়না খুন্দ্রাকপম এ সিগী ইন্টেন্দিং কেন্দিদেট নোংথোম্বম রাজেন্দ্রো এলাইজ বোইনা ফোঙদোকখ্রে।

লাক্কদৌরিবা কুমজা ২০২৭তা পাঙথোক্লুবা য়ারি হায়না পান্নরিবা ১৩শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেম্ব্লি মীখলদা খুন্দ্রাকপম কেন্দ্রদা মীহুৎ অমা ওইনা মীখল থেংনরগনি হায়না নোংথোম্বম রাজেন্দ্রো এলাইজ বোইনা লাউথোকখ্রে।

মীরেপ লাউথোকপগী থৌরম অমা ঙসি কেন্দ্র অসিগী মনুং চনবা য়ুন্নাম খুনৌ লাই লম্পাক্তা পাঙথোকখিবা অদুদা কেন্দ্র অসিগী মচিন চৎপা অমদি থবক্তগী পোত্থারবা রিছোর্স পার্সন কয়না শরুক য়াখি।

থৌরমগা মরী লৈননা নৌনা মীরেপ ওইগদৌরিবা নোংথোম্বম রাজেন্দ্রোনা হায়, ইলেক্সন অসি থেংনরোই হায়না ফিরেপ লৌরুরবনি। অদুবু এ সি অসিগী মীয়াম্না মীৎতগী পী তাদুনা লেল্লিবা অসি উরুরগা এ সি অমদি লমদম অসিবু কন্দবা য়াদে খল্লগা মীখল থেংনরগে হায়বা ফিরেপ অসি লৌবনি। কুমজা ২০২৩ মে ৩দগী হৌরকখিবা মীরমদগী চঙলকপা খুৎলায় পায়বা মীতোপশিংনা চত্থরক্লিবা লাল অসি থেংননবা ঐখোয়গী লুচিংবশিং পূনশিনবগী মহুৎতা ঐখোয় মশেল তোখাই তোখায় তাবা, মাগী মাগী হায়না লম্বী শেন্নরক্লি। মসিনা লাল অসি হৌজিক ফাওবা লোইশিনবা ঙমদবনি। লালগী চৈথেং হকথেংননা ফংবা রেদ জোন মফম কয়াগী মনুংদা খুন্দ্রাকপম কেন্দ্রসু অমনি। ইকৌ, সাদু য়েংখুমান্দগী লাঞ্জেনরকপশিং দোলাইথাবীদা রিলিফ কেম্প শাদুনা অদুম লৈজগে হায়বা ৱাফম পুখৎলকপা মতমদা মহাক্না মতম অদুগী সি এম এন বিরেনদা হায়জখি। মদুদি থবক ওইনা পায়খৎলদুনা মতম অদুগী দি সিনা অয়াবা পীদুনা এয়রমার্ক তৌখি। রিলিফ কেম্প ফাওবা লাকপদা খুৎনেক মানবা মওংদা মীওই খরা থোক্লক্লগা মেছিনরি হলহনখি। মদু মীচম অমনা ইরাই লাইনা তৌবা ঙম্লোই লোয়ননা থৌদোক কয়া মরুম অমসু লৈখ্রে। অসিগুম্বা পুকচেল পীকপা, লৌতুনবা অমদি মশাগী ওইজবা থীবনা পীক থল্লবা মীয়াম অমদি ইরমদম অসিগী ইজাতি কন্নবা এসেম্ব্লি ফাওবা চঙদুনা থেংনগে খনবদগী ফিরেপ অসি লৌবনি।

পোলিটিকেল পার্টি অমগী মখাদা মীখল শরুক য়ারোই, ইন্দিপেন্দেন্ট ওইনা থোক্তুনা ৱাখল্লোন মান্নবশিং শেমগৎলগা থবক পায়খৎকনি হায়বা ৱাফম থমদুনা মহাক্না মখা তানা হায়, করিগুম্বা মহাক্না ইলেক্সন মায় পাক্লবদি কেন্দ্রগী ওইনদি মহাক্কী ইলেক্সন কম্মিটিনা য়েংশিনহনগনি। মহাক্কী ওইনদি মহাক্কী ওইনদি রুল্লিং নত্রগা ওপোজিসন হায়না পার্টি ওইনা থল্লোই, ইন্দিপেন্দেন্ট ওইনা মীরেপ থেংনগনি। নেসনেল লিদরশিং উনদুনা লমদম অসিগী থোক্লিবা ইশু খূদিংমক মতিক চানা পুখৎপা অসি লেঙদ্রবা ফিরেপনি। এ সিগী ওইনা থবক পায়খৎলকপা মতমদা অহানবা ওইনা ইরিগেসনগী ফেসিলিটি লিংহন্দুনা গ্রিন রিভোল্যুসন লৈহনবা, গভর্ণমেন্ট স্কুলশিং লিংনা শেমগৎপা অমদি ইমাশিংগী য়াইফনবা লম্বী শিনবনা অহানবা পান্দম থমদুনা থবক পায়খৎকনি।

## আর কে ইমোনা মান্দপ...

*লমায় ১গী মখা...* লৈননা এম এল এ আর কে ইমোনা হায়, শগোলবন্দ এ সিগী মীয়ামগী য়াইফনবগীদমক ইনফ্রাষ্টকচর শেমগৎ শাগৎপা য়াওনা চাওখৎ থৌরাংগী থবক থৌরম পায়খৎপা হায়বসি তঙাইফদবা অমনি। এ সি অসিগী মনুং চন্না লৈবা অমুদোন, সলাম লৈকাই অমদি থাংজম লৈরক্লবচিংবা মফমশিংদসু ঙসি শঙ্গারিবা মান্দপ অসিগুম্বা কয়া শেমগৎতুনা মীয়ামদা খুৎশিন্নবা লৈখ্রে। অহানবা ওইনা মীখল থেংননবা এ সি অসিদা থোক্লকপা মতমদা ময়াইকোইবী হায়রিবা মফম অসিদা কম্যুনিতি হোল অমা ফাওবা লৈরমখিদে। মসিদা নত্তনা মীয়ামদা মথৌ তাবা অফবা ঈশিং পীনবগী ৱাটর পাইপ লাইন ইনফ্রাষ্টকচর ফাওবা লৈরমখিদে। এ সি অসিগী মীহুৎ ওইনা মায় পাক্লকপগী অহানবা শরুক্তা কম্যুনিতি হোল শাবা য়াওনা মীয়ামগীদমক মথৌ তাবা থবক থৌরমশিং পায়খৎতুনা লাকখি। মীয়ামগী মীহুৎ ওইনা অনীশুবা টার্মদা জি প্লস ১গী ষ্ট্রকচরদা ক্লব বিল্ডিং শাবা য়াওনা থবক কয়া পায়খৎপসু লৈখ্রে। লোয়ননা ইমা ইবেলশিংগীদমক দেদিকেটেদ ওইবা মৈরাশঙ অমসু হৌজিক হৌজিক শেমগৎ শাগৎপগী থবক পায়খৎলি হায়খি।

## বোম পোকখায়হল্লম্বা থৌদোক, ১৯৫১দা...

*লমায় ১গী মখা...*থৌদোক অমনি। ঙরাং কোংগ্রেস পার্টিগী সি এল পি লিদর এম এল এ কৈশাম মেঘচন্দ্রগী য়ুমদা বোম পোকখায়হল্লমখিবা থৌদোক কোংগ্রেস পার্টিনা অৱাংবা থাক্তা কন্দেম তৌই। এম এল এ মেঘচন্দ্রনা চত্থরিবা এসেম্ব্লী সেসন অসিদা ওপোজিসন পার্টি ওইদুনসু লৈবাক অসিদা করন্না তঙদু লৈতাবা ইং তপথবা হঞ্জিলহনবা য়াগনি হায়না কোংগ্রেস এম এল এ শিংনা থৌদাং লৌরিবা মীয়ামগী মীহুৎ অমনি। এসেম্ব্লী সেসন চত্থরিঙৈ তাঞ্জা অসিদা অসুন্না কিহনবা মানবা মওংদা বোম পোকখায়হল্লল্লিবা অসি মহাক্না সেসন মনুংদা ফোঙদোকখিবা ৱাফমশিংদা পেন্দবা লৈবিগরা হায়বা চীংনবা ফাওহনবতা নত্তনা মখা তানা ৱা ঙাঙদনবা সাইকোলোজিকেল থ্রেদ লৈনবা শীল্লব্রা চীংনবা লৈ।

মহাক্না হায়, দেমোক্রেসি চৎপা লৈবাক্তা পেন্দবা লৈরবদি ৱারি শাবগী তাঞ্জা পীবনা চুমগনি। বি জে পি গভর্ণমেন্টকী মীচঙ মীখায় নাইবা থৌওং মমাঙদা থোকখিবা থৌদোকশিংদা চাওনা মমি তাবা লৈখ্রে। বি জে পিগা চৎমিন্নরিবা পার্টিনা দেমোক্রেটিক ওইনা খোঙজং চঙশিন্নবা তৌবদা শক্তি শীজিন্নরগা থুগায়বা। কোংগ্রেস ওফিসতা বি জে পিগী কর্মিশিংনা চত্থখিবা থৌওং অমদি ঐহাক ইশাগী য়ুমদা নোংমৈ কাপশিল্লম্বগী খুদম চাংদম পীবা ফাওবা তুমিন্না লৈশিন্দুনা থমখিবা মীয়ান্না খঙলবনি। অদুবু বি জে পিনা রেল্লি লাক্লগা কোংগ্রেস ওফিস মমাঙদা প্রোটেষ্ট তৌবদনা পুলিসনা য়েংলগা লৈহনবা মীয়ান্না উখ্রিবনি। মসিগুম্বা তৌরোই হায়বা ৱাখল্লোল অরানবা তৌরিবশিংদা পীরব্রা চীংনহল্লি। মীচঙ মীখাই নাইবা থৌওং অসিনা লৈখ্রবদি তুংদা খুন্নাইদা অকিবা লাক্কনি হায়খি।

মহাক্না হায়, চত্থরিবা এসেম্ব্লি সেসন অসি দুরদর্সনদা লাইভ ষ্ট্রিম তৌরগা মীয়ামদা উল্লি। এসেম্ব্লি সেসন অসিগী অহৌবা নুমিৎতা এন আর সি বেজ ইয়র ১৯৫১ ওইগদবনি হায়না খন্নখিবা অদুগী দি দি কেদা লাইফ ষ্ট্রিম লৌথোকখ্রে হায়না তাই। লৌথোকপা থোক্লবদি করিগী লৌথোক্লিবনো হায়খি।

## হৌখিবা পূন্নমক কাওথোক্লদুনা অমদি ...

*লমায় ১গী মখা...*
তপ্পা পুরক্লবা ঐখোয় পূন্না হোৎমিন্নবা চঙই। চীফ মিনিষ্টর মশামক্না মৈতৈ, কুকি, নাগা, নেপালি অমদি বিহারিনচিংবা ফুরুপশিংনা খুন্দামিন্নরিবা মিনি মণিপুর অমনি হায়না লৌবা য়ারবা লৈমখোঙদালাক্তুনা য়েংশিনবিরিবা অসি ঐখোয় পূন্নমক্কী লাইবক ফবনি হায়খি।

লোয়ননা থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা সেকমাই এ সিগী এম এল এ হৈখাম দিঙ্গোনসু ষ্টেট অসিদা লৈমিন্নরিবা তোঙান-তোঙানবা ফুরুপশিংগী মরক্তা লৈরিবা থাজনদবা অমদি পাউ ফাওনদবগী থৌদোকশিং অসি মখা তানা থোক্তনবা ঐখোয় পূন্না হোৎনমিন্নবা মথৌ তাই। মতম অদুদা মণিপুরদা তঙদু লৈতাবা পুরকপা ঙমগনি হায়খি।

লোয়ননা এম এল এ জয়কিশননা মণিপুরগী মশক খুন্দামিন্নরিবা তোঙান-তোঙানবা ফুরুপশিংনা পুল্লগা উৎলিবনি। ঐখোয় পূন্না হোৎনমিরবা মতম খক্তদা মণিপুরদা লৈরিবা ইশুশিং কোকহন্নবা ঙমগনি হায়খি।

য়েংশিন খোঙচৎ অদুগা মরী লৈননা শরুক য়াখিবা লুচিংবশিংনা লৈমখোঙ, কান্তো সাবল ভিল্লেজদসু লাক্তুনা ৱিমেন ৱেলফেয়র ওর্গনাইজেসন (দব্লীউ দব্লীউ ও) গী থৌমীশিংগা কান্তো সাবল লৈকাইদা লৈবা ভিল্লেজ দিভলপমেন্ট কম্যুনিটি হোলদা উনদুনা ৱারি শান্নখি হায়রি।

## মীওইবা অমা ওইবগী ৱাখল্লোলদা থৌদাং ...

*লমায় ১গী মখা...* ঐখোয় পূন্নমক মীওইবনি হায়বা ৱাখল অসি হান্না খন্থমিন্নবা মরু ওই। মীওইবা হায়বসিগী তুংদা লাইনিং লাইশোন অমদি কাংলুপ ফুরুপ হায়বসি লৈরিবনি। মীওই মপোক হায়বসি মতম চুপ্পা অদুমক হিংদুনা লৈগদবা নত্তে। নোংম নত্রগা নোংমা ঐখোয় পূন্নমক তাইবঙ মালেম অসি থাদোক্তুনা চৎখিগদৌরিবা ঙাক্তনি। জুম্ম এন্দ কাস্মিরদা লৈবা মীওই অমা ওইনা মণিপুরগী ওইরিবা ফিভম অসি খরমখৈদি খঙবা ঙম্মী। ইরাং অমদি চরাংনবনা মতম শাংনা শাফু পীদুনা লাল্লবা জম্মু এন্দ কাস্মিরদা ঙসিদি তপ্না তপ্না ইং তপ্পা হঞ্জিল্লক্লি। মসি পূন্নমক মফম অদুদা লৈরিবা মীওইবা মশেলগী মরক্তা ৱাখল তামিন্নরকপদগীনি হায়না লৌবা য়াই। লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টর ওইরিবা নরেন্দ্র মোদি ইং তপ্পা অমদি চাওখৎ মায়কৈদা মায় ওনশিনবা পান্বা লুচিংবা অমনি হায়না খল্লি। জম্মু এন্দ কাস্মিরদা ইং তপ্পা হঞ্জিল্লকপা ওইথোক্লগা মণিপুরদা করিগী ওইথোক্লোইদৌরিবনো হায়বগী ৱাফম থমখি।

মহাক্না হায়, ভাইওলেন্স হায়বসিনা মাঙজগদৌরিবা অসি মীচম মীয়াম খক্তদনি। পিছ লৈতাবা মফম অমদা শেন্মীৎলোন য়াওনা হীরম কয়াদা চৈথেং মায়োক্লহল্লক্কনি। মরম অদুনা মণিপুরদা খুন্দামিন্নরিবা কাংলুপ ফুরুপশিংগী মরক্তা ৱারি শান্নদুনা ৱারোইশিন পুরকপা য়াবা ৱাথোক্তি মতম চানা লোইশিন্নবা হোৎনবদা পূন্নমক্না থৌদাং লৌমিন্নবা চঙই। থম্মোয় শেংনা হায়বা ৱাফমদা লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টরনা তারোইদৌবা লৈতে। ষ্টেট অসিগী চীফ মিনিষ্টর অমদি দিপ্যুতি চীফ মিনিষ্টরনচিংবশিংসু উনদুনা ওইরিবা ফিভম অসিগী মতাংদা ৱারি শান্নবা হোৎনগনি। মণিপুরদগী হনখ্রবা মতুং সেন্টরদা লৈরিবা লুচিংবশিংদসু ৱারি শাদুনা মণিপুরদা ইং তপ্পা হঞ্জিলহন্নবা হোৎনবদা অঙম্বা থৌদাং লৌগনি হায়খি।

ধরম জগরন সঙ্কস্থানগী নোর্থ ইষ্ট ইনচার্জসু ওইরিবা হাওরুংবম রবিকান্তনা হায়, মণিপুরদা ইং তপ্পা হঞ্জিল্লক্লবা হোৎনবদা সঙ্কস্থান অসিনা অঙম্বা থৌদাং লৌনবগী পান্দমদা গুরু ভিবেক মণিপুরদা থুংলখিবনি। মহাক্না মণিপুরদগী হনখ্রবা মতুং সেন্টরগী লুচিংবশিং য়াওনা মরি লৈনবশিংদা ষ্টেট অসিগী ওইরিবা ফিভম ময়েক শেংনা পাউদম্লগনি। গুরু অসিগী মণিপুর খোঙচৎ অসিনা ইরাংগী চৈথেং ফংদুনা লঞ্জেন্নরবা আই দি পিশিংগসু উনদুনা ৱারি শাবা লৈরে হায়খি। রামজি প্রভু মান্দপতা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা কৃষ্ণ জন্মআষ্ঠমীগী রাজ লীলাসু মীয়ামদা উৎখি।

# নোংমগী ওইবা আর্টিফিসিয়েল ইন্টিলিজেন্স অমদি হিন্দিগী ৱার্কসোপ মণিপুর য়ুনিভর্সিটিদা পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ০৪ (এস এন এস)ঃ
মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ভি সি সেক্রেটরিয়েটকী কম্মিটি রুমদা মোর্দন টেক্নোলোজিগী মতেংনা নোংমগী পাঙথোক্লিবা থবক থৌরমশিংদা হিন্দি লোল শীজিন্নবগী চাং ৱাংখৎহন্নবা পান্দমদা নোংমগী ওইবা আর্টিফিসিয়েল ইন্টিলিজেন্স অমদি হিন্দিগী ৱার্কসোপ পাঙথোক্তুনা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফিসিয়েল লেংগ্বেজ সেলনা হিন্দি পক্কাদা ২০২৬ হৌদোকখ্রে।




এম য়ুদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুগা মরী লৈননা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ভাইস চাঞ্জেল্লর ইন চার্জ অমদি য়ুনিভর্সিটি অসিগী ওসিসিয়েল লেংগ্বেজ ইমপ্লিমেন্টেসন কম্মিটিগী চেয়রমেনসু ওইরিবা প্রোফেসর আর কে হেমাকুমারনা হায়, হিন্দি লোলবু ইমপ্লোইশিংনা মশাগী নোংমগী থবক থৌরম পাঙথোকপদা শীজিন্নবগী হৈনবি থমহন্নবা পুক্নিং থৌগৎপা চঙই। লোল অসিবু তঙাইফদনা শীজিন্নবগী ৱাখল্লোন অদু থাদোক্লগা মোর্দন টেক্নোলোজিগী মতেং লৌদুনা হেন্না খূৎমাং চাওশিনবা লম্বীদা চঙশিনবা ঙম্নবা লোল অসি শীজিন্নবা হোৎনসি।

থৌরম অদুদা শরুক য়ারদুনা ওফিসিয়েল লেংগ্বেজ সেলগী এসিস্টেন্ট দিরেক্টর ডা. বিনিতা অকোইজমনা হায়, ইমপ্লোইশিংনা ওফিসিয়েল ৱার্ক তৌবা মতমদা হিন্দি লোল শীজিন্নবদাথেংনরিবা খুদোংচাদবশিং কোকহন্নবা প্রেক্টিক্লে ওইবা মতেং পীনবা ৱাখল্লোলদা ৱার্কসোপ অসি পাঙথোকপনি। আর্টিফিসিয়েল ইন্টিলিজেন্স শীজিন্নবা হায়বসিনা ইমপ্লোইশিংনা লোল অসি শীজিন্নবদা থেংনরিবা খুদোংচাদবা অদু খরমখৈদি কোকহনবা ঙম্লগনি। মসিদা নত্তনা থবক মফমদা হিন্দি লোল শীজিন্নবগী চাং ৱাংখৎহন্নবা হোৎনবদসু অচৌবা মতেং অমা ওইরগনি।

ৱার্কসোপ অদুগী টেক্নিকেল সেসনদা মণিপুর য়ুনির্ভসিটিগী প্রোগ্রামর ডা. তিলোকচান্দ ইরেংবমনা 'এ আই এন্দ হিন্দি' হায়বসিদা রিছোর্স পার্সন ওইনা ৱা ঙাঙখি। পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা এম য়ুগী রেজিষ্ট্রর প্রোফেসার এম প্রেমজিৎ, ফাইনান্স ওফিসার প্রোফেসার লাইশ্রম রাজেন্দ্র, এসিষ্টেন্ট রেজিষ্ট্রার (সেনিয়র স্কেল) অনিসুল আলম, লাইব্রেরিয়ান ইনচার্জ ডা. মেমোরি শগোলশেম, পব্লিক রিলেসন ওফিসার ড. শকিলা নোংমৈকাপ্পম য়াওনা য়ুনিভর্সিটি অসিগী ওফিসিয়েল কয়াসু শরুক য়াখি।

## গোভিন্দ গোকুলম থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৪ (এস এন এস):
ভাগবান শ্রী কৃষ্ণগী মপোক নুমিৎ জন্মআষ্ঠমি নুমিৎতা মণিপুর সেভা সমিতিনা 'গোভিন্দ গোকুলম'গী থৌরম অমা ঙসি ইম্ফাল ৱেষ্টকী কোঞ্জেং লৈকাইদা লৈবা ভস্করা প্রভাদা পাঙথোকখ্রে। ভজন অমদি অতৈ জগোই ঈশৈগী থৌরমগা লোয়ননা শ্রীকৃষ্ণগী ভক্তশিংনা গোকুলমগী থৌরম অদুদা শরুক য়াখি। থৌরম অদুগী শরুক অমা ওইনা ঙসি গোবিন্দ গোকুলমদা লাকপা অঙাংশিংদা খুদোলপোৎসু পীবগা লোয়ননা চাক্লেন অমসু পুন্না চামিন্নখি।

## পোষ্টর কেম্পেইন পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৪ (এজেন্সি)ঃ
হৈঙাং এ সিগী মনুং চন্না লৈবা খাবম লমখাইদা হৈঙাং অরাম্বাই তেঙ্গোল য়ুনিট ৩৪গী কম্মান্দর ঙানবগী লিচিং মখাদা নো এন আর সি, নো সেন্সস হায়বা পোষ্টর কেম্পেইন পাঙথোকখ্রে। কেম্পেইন অদুগী মনুং চন্না হায়ৱেদা লাকপা গাড়িশিংদা 'নো এন আর সি, নো সেন্সস' হায়বা ৱাখলদা লম্বীদা লাক্লিবা মীয়ম মীয়ামদা এৱানেস পীবগা লোয়ননা খোঙজং অসিদা পূন্না চৎমিন্নবা অপিল তৌখি। খোঙজং অসি তুংগী মীরোলশিংগী য়েংলগা তঙাইফদনা চঙশিনহৌদবা য়াদবা অমনি হায়রি।

## এন আর এফ এমনা শিবগী চৈরাক...

*লমায় ১গী মখা...*চৈরাক পীখিবনি হায়না নেসনেল রিভোলুস্নরি ফ্রন্ট মণিপুর (এন আর এফ এম) সেন্ত্রেল হেদ ক্বার্টরগী ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি সেক্রেটরী সনাজাউবা মৈতৈনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অদুনা মখা তারদুনা হায়, অথোই এন আর এফ এমগী লান্মী শঙলূপ মণিপুর আর্মি (এম এ)গী ৯শুবা বেটচতা মণিপুর আর্মি (এম) নম্বর ২২০ ওইনা বেসিক মিলিটরি ত্রেনিং ফংদুনা পার্টিগী ৱাশক মখাদা মণিপুর আর্মিগী লান্মী অমা ওইখি। কুমজা ২০২৬গী জানুৱারী ১৯গী অয়ুক পুং ৮.৩০ দা মণিপুর আর্মিগী কেম্প অমদা লৈবা লান্মী ময়ামগী থৱায় ঙাক শেল্লিবা লৈবাক মীয়ামগী হুমাঙ মমলনা নীংতম লানগী খূদোল ওইনা পীবিরকপা খুৎলায় পুদুনা লোন্না চেনখি অমসুং খূৎলায়গা লোয়ননা মশানা য়েক্লবা ইন্দিয়ান আর্মিদা চঙজখিবা মীওইনি। জেলদা থা মরী লৈরুরগা থোরক্লবা মতুং পার্টিগী অয়াবা য়াওদনা লমহেন তুহেনবা মীওই খরগা পুন্দুনা পার্টিগী মিংদা শেনখায় থুমখায়দা চেন্নরক্তুনা কয়ারক হন্না মশাগী ৱাখল চুমথোকচনবা পাউতাক পীদুনা ঙাকপীদুনা লাকখি। অদুবু পার্টিগী ৱা থৌশাদনা পার্টিগী মায়োক্তা থবক তৌখি। অরোইবা ওইনা পার্টিদা চঙজরক্লবা ১৯/৮/২০২৬ তা পার্টিনা কৌখৎখি। অদুবু চঙজরকপগী মহুত্তা পার্টিগী মায়োক্তা লেপ্তুনা লোত্তুনা লৈখি। পার্টিগী খূৎলায় পুদুনা য়েক্লবদা চঙজবা অমদি মতম চুপ্পা পার্টিগী মায়োক্তা থবক তৌবগী অচৌবা মরাল লৈরবসু লোত্তুনা লুপকী মায়োক্তা লৈখিবা ঙাকপীবা য়াদ্রবা মরালশিং অসি লৈবনা পার্টিনা অথোই এলাইজ শিদবা শিবগী চৈরাক পীখিবনি। লোয়ননা ইরৈচাশিংদা কনাগুম্বনা এন আর এফ এম পার্টিগী মায়োক্তা পার্টিগী মিং শীজিন্নদুনা শেনখায় থুমখায়নচিংবা অরানবা থবক তৌরকপা খূদিংমক মরালগী মতুং ইন্না অহকপা চৈরাক শোয়দনা পীগনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারক্লি।

## ওজাগী নুমিৎতা য়াইফ...

*লমায় ১গী মখা...* শেমগৎলকই। মহৈরোই অমদা মহৈ মশিন তন্বীবা খক নত্তনা অফবা মী অমা ওইবদা চঙবা দিসিপ্লিন, কনফিদেন্স অমসুং রেস্পোন্সিবিলিটি কয়া ময়েক শেংনা তাকপীরকই। ইন্দিয়াদা মমিং লৈরবা ওজা ডা. সরবেপলি রাধা কৃষ্ণণগী মপোক নুমিৎপু নীংশিংবা ওইনা ওজাগী নুমিৎ অসি পাঙথোকপনি। নুমিৎ অসিনা লাকপদা ওজা খূদিংমক্না মহৈরোইশিংবু লেপ্তুনা লমজিং লমতাকপীদুনা অফবা য়ুম্বী অফবা খুন্নাই অমা ওইরকপা ওইরসনু হায়না চেরোল অদুনা ফোঙদোক্লি।

## য়াইফ থৌনি থৌরম...

*লমায় ১গী মখা...*মীয়ামদা নৌনা খুদোল তমগদৌরিবা প্লে অসি ওক্রম কুঞ্জোনা ইবনি লোয়ননা গীতচন্দ্র চোংথান্না লমজিং লমতাক্কদবনি। লীলা পুথোকপনা নিঙোম্বম তোম্বা অমদি ওক্রম কুঞ্জোনি। লীলা অসিদা শক্তম লাংলিবশিংদি নুপাগী শক্তমদা গীতচন্দ্র চোংথাম, খেকমন রতন, সুর অথোকপম, তোনি অকোইজম, চীংলেন কোঞ্জেংবম অমদি সচি নিঙোম্বমনি। নুপীগী শক্তমদনা ওইনাম অরুন, সুরচান্দ, থোই মোইরাং অমদি অঙানচানা তোঙান-তোঙানবা রোলশিং লৌগদৌরি।

## কমলা অমদি গুনামনিদা মনা...

*লমায় ১গী মখা...* গুনামনিদা মনা পীরক্লে।
দিল্লিদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা ইনিসিয়েলটিভ ফোর হোলিষ্টিক দিভলপমেন্ট ওফ ষ্টুদেন্স হায়বা কেটাগোরি অসিদা মণিপুরগী দিরেক্টোরেট ওফ এজুকেসন (এস)কী এসিষ্টেন্ট দিরেক্টর লৈশাংথেম কামলাদা মনা পীরকখিবনি। লোয়ননা ইনিসিয়েটিভ ফোর এনহান্সিং ষ্টুদেন্ট পার্টিসিপেসন এন্দ বেটর ফঙ্কসনিং ওফ স্কুলস হায়বা কেটাগোরি অসিদা বিষ্ণুপুরগী জোনেল এজুকেস্নেল ওফিসার অতোম গুনমনিদা এৱার্দ পীরকখিবনি। এৱার্দ অসিদা মেমোন্টো, সার্টিফিকেট অমদি শেলগী মনাসু য়াওরি।

## মিলিটেন্টশিংগা শন্নদে, নাগা...

*লমায় ১গী মখা...* মদুনা মরম ওইরগা মশাগী ওইবা য়েংশিন্নবা মেকানিজম লৈজে। মতাং অসিদা ইন্দিয় লৈঙাক্কী মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফিসয়ার্সনা চপ চানা য়েংশিল্লি হায়খি।

মণিপুরদা তঙদু লৈতাবা হঞ্জিনবা হোৎনবদা মহাক্তি শরুক য়াদে হায়রিবা অদুসু মীমাংদা থোকপা খক্তা নত্তনা তঙদু লৈতাবা হঞ্জিন্নবা হোৎনৈ হায়বা য়ারোই। মহাক্না মহাক্কী ফুরুপকী লৈরিবা সি এস ও অমসুং নহাশিংদা ইরাং মখা তানা থোক্তনবা কন্না শেন্নদুনা লাকখি। মদুদসু নত্তনা নাগা কুকিগী মরক্তা ৱারি শান্ননবসু লোসি দিখোগী খূত্থাংদা মহাক্না হৌদোকখিবনি। অদুবু মদু থবক ওইনা ওন্থোকপদি ঙমখিদ্রে হায়নসু মহাক্না মখা তাখি।

## বেজ ইয়র য়াওদনা এন আর সি তৌনবা...

*লমায় ১গী মখা...* এন আর সি অদুগী বেজ ইয়র পিরম্বা তারবদি সেন্টরদা তকশিনবদা হেন্না নুংঙাইবা অমা ওইগনি। ১৯৫১দা বেজ ইয়র ওইরগা এন আর সি অপদেট তৌবিনবা জে এফ দি অমদি লমদম অসিগী মীয়ান্না লৈঙাক্তা তকশিন্দুনা লাকখিবা ৱাফম অদুগী ওন্না তৈনবদা থবক তৌবিগনু, এসোমব্লি মীফমদা ষ্টেট অসিদা এন আর সি অপদেট তৌনবা ৱারেপ লৌদুনা সেন্টরতা তকশিনখ্রে হায়দুনা মীয়ামদা উৎচাইবা য়ারোই, এসেম্ব্লি মীফন্না লৌখিবা ৱারেপ অদু থবক ওইনা ওন্থোক্লবা এসেম্ব্লি মীফম হেক লোইবগা সেন্টরদা চৎতুনা সেন্টরগী লুচিংবশিংগা চপ চাবা পাউখুম অমা মীয়ামদা পীগদবনি। এন আর সি অপদেট তৌনবা হোৎনবদা লৈঙাক অসিনা লৌফম থোকপা থৌদাংশিং লৌবিয়ু। মদু নত্রবা তারবদি লমদম অসিদা মহৌশাদগী খুন্দা লৈতাদুনা লৈরক্লবা য়েলহৌ ফুরুপশিং শিবা অমদি হিংবা অনীগী লংদাইদা থবক তৌরকপনা মণিপুর মীয়ান্না শিবা কিদনা অকনবা খোঙজং কয়া চঙশিন্নবা শেম শাবা লোইরে হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা মীয়ান্না নো এন আর সি নো সেন্সস, নো আই দি পি সেটলমেন্ট নো সেন্সস, বেজ ইয়র য়াওদনা এন আর সি তৌবা য়ারোই অমদি মণিপুরগী অপূনবগী শক্তম কায়বা য়ারোই হায়বা খোল্লাও কয়াসু লাউখি।

## ফোরেন নেসনেল ৭ অৱাং ...

*লমায় ১গী মখা...* লান্দাখিবা সুসাইদ দ্রোন এটেক অদু বিহারগী তিহার জেলদা লৈরিবা য়ু এস মচা মেথিয়ু ৱেন দায়ক অমদি য়ুক্রেনগী মচাশিংগী অরোনবা নেটৱার্ক অমগসু মরি লৈনৈ হায়না এন আই এনা ফোঙদোরক্লি। এন আই এগীগী খূৎতা লৈরিবা ভিদিও অদুগী মতুংইন্না পেসেঞ্জর প্লেন অদুদা চত্থখিবা সুসাইদ এটেক অদু য়ু এস মচা মেথিয়ু ৱেন দায়কনা পীখিবা আর পি জি য়াওবা এফ পি ভি কামিকেজ দ্রোন্সনা চত্থখিবনি হায়রি।

এন আই এগী রিপোর্ট অসিগী মতুংইন্না ফোরেনর মচা ৭ অদুনা মিজোরামগী লম্বীদগী ফাওরগা চৎলগা তোঙান তোঙানবা মতমদা ইন্দিয়াগী মায়োক্তা লৈবা লালহৌবশিং, ইথনিক আর্ম গ্রুপশিংদা লান করন্না তৌগনি অমদি লানদা দ্রোন মতৌ করন্না শীজিন্নগনি হায়বগী ট্রেনিংশিংসু পীখি। লোয়ননা লানদা তঙাইফদনা শীজিন্নগদবা দ্রোন, বোম, নোংমৈ অমদি অতৈ খুৎলায়শিংসু পীদুনা মতেং পাংখি। মসিনা মরম ওইরগা ইন্দিয়াগী সেক্যুরিটিদা অমদি ইন্টিগ্রিটিদা চাউনা অকায়বা পীরে হায়নসু এন আই এগী রিপোর্ট অসিনা মখা তানা হায়রি।

## বাংলাদেশতা ইমা লোলগী নুমিৎ থৌরম...

*লমায় ১গী মখা...*লো অসিবু চাওখৎহন্নবা হোৎনবদা আই এম এল আইগী মায়কৈদগী অঙম্বা থৌদাং লৌগনি। ঙসি পাঙথোক্লিবা থৌরম অসিগী মনুং চন্না অঙাংশিংগী ওইবা মীতৈ ময়েক ইবগী কম্পিটিসন পাঙথোকপা উবদা নুংঙাইবা পোকই। মণিপুরদগী ওজাশিং লাক্তুনা মীতৈ ময়েক তাকপী তম্বীরিবা লোল অসিবু হিংন্নবগী অচৌবা মরম অমা ওইরি। আই এম এল আই হায়রিবা ইন্সটিট্যুট অসিনা লোল হিঙ্গৎহন্নবগীদমক থৌদাং কয়া লৌদুনা লাক্লি। অৱাংবা থাক্তা লৈরিবা মণিপুরী লোল অসিগী মগুন মাঙহন্দনা ঙাক শেন্নবা পূন্নমক্না থৌদাং লৌবা চঙই হায়খি।

থৌরমগা মরী লৈন্না ঙসি ফোঙখিবা লাইরিক অসি এ কে সেরামনা ইবা বসন্তা কুন্নিপালনি লৈরাং, লম্মাংনবা অমদি নোঙ্গৌবী হায়না মীংথোনবা লাইরিক ৩ অসিগী অপুনবা মীতৈ ময়েক্কী লাইরিকনি। লাইরিক ৩ অসিবু মীতৈ ময়েক্তা ইথোকপা অমদি অফোংবনা মণিপুরীগী অইবা রাকেস নাওরেমনি। নীংশিংবা য়াবদি লাইরিক ৩ গী অপুনবা মীতৈ ময়েক্কী লাইরিক অসিনা বাংলাদেশকী অইবা অইবীশিংগী মরক্তা মীতৈ ময়েক খক্তদা ফোঙবা ইহান হানবা লাইরিকনি। কুমজা ২০১৭দা শক্লাইরবা অইবা এ কে সেরামনা ইদিটর ওইবা বাংলাদেশকী থম্মোয়কোন্দগী হায়না মীংথোনবা ৱারেং, শৈরেং, ৱারীমচাগী খোমজিনবা এন্থোলোজিগী লাইরিক ফোঙখিবা অসিনা ঙসি ফাওবগী পুৱারীদা বাংলাদেশতা ফোঙবা ইহান হানবা মপুং ফারবা এন্থোলোজিগী লাইরিক ওইরি।

থৌরমগী মনুং চন্না ফোঙখিবা অতোপ্পা লাইরিক অদুদি মণিপুরগী শক্লাইরবী অইবী আর কে নয়নসনা দেবীনা ইবা ৱারীমচা ১৭কী লাইরিক সনরিক পরেংবু শক্লাইরবা অইবা অমদি স্কোলার সনসম উমানন্দনা ইংলিশ লোন্দা হন্দোকপা লাইরিকনি। লাইরিক অসিসু অইবা রাকেস নাওরেমনা পব্লিসর ওইদুনা ফোঙবা লাইরিকনি। লাইরিক ২ অসি পেত্রিওটিক রাইটর্স ফোরম মণিপুরগী বেন্নর মখাদা ফোঙবা লাইরিকনি।

মণিপুরী ভাষা গোবেসোনা ও উন্নোয়োন সংস্থা, বাংলাদেশনা ইন্টরনেসনেল মাদর লেংগ্বেজ ইন্সটিট্যুট (আই এম এল আই) ধাকা, বাংলাদেশ অমদি বাংলাদেশকী তোঙান তোঙানবা লুপ ১০গা খূৎশম্নরগা পাঙথোকখিবা ওবজার্বেসন ওফ মণিপুরী লেংগ্বেজ দে, বুক রিলিজ এন্দ দিস্কসন ওন দি মণিপুরী লেংগ্বেজগী থৌরম অদুদা ইন্টরনেসনেল মাদর লেংগ্বেজ ইন্সটিট্যুট (আই এম এল আই) ধাকাগী দাইরেক্টর প্রোফেসার ডা. মোহমদ অসাদুজামাননা অথোইবা মীথুংলেন, ইন্সটিট্যুট অসিমক্কী এদ্দিসনেল দাইরেক্টর অব্দুল কলাম অমদি পেত্রিওটিক রাইটর্স ফোরম মণিপুরগী সেক্রেটরী রাকেস নাওরেম্না অখন্নবা মীথুংলেন ওইনা শরুক য়াখি। লোয়ননা বাংলাদেশ লৈবাক্কী মণিপুরী লোনগী পাইওনর রাইটর অমসু ওইরিবা মণিপুরী ভাষা গোবেসোনা ও উন্নোয়োন সংস্থা, বাংলাদেশকী প্রসিদেন্ট এ কে সেরামনা থৌরম মপুং ওইনা শরুক য়াখি। থৌরম অদুগী মনুং চন্না মণিপুরী স্ক্রিপ্ট কম্পিটিসন পাঙথোকপগা লোয়ননা কম্পিটিসন অসিগী মকোক মথং তারবা মহৈরোইশিংদা মনা মথুম পীদুনা ইকাই খুম্নবা উৎখি।

## নাগানা এন আর সিদা সপ্পোর্ট তৌরিবসি...

*লমায় ১গী মখা...*
এক্সসাইজ অমনি। অখন্নবা ষ্টেট অমগী তোঙানবা এন আর সি তৌবা য়াই হায়বা পোভিসন ইন্দিয়াগী কন্সটিট্যুসনদা য়াওদে। নেসনগী ওইনা চত্থগদবা থবক থৌরম ওইবনা সেন্তরগী অপাম্বদা তৌজসনু।

মৈতৈশিংনা থাংগৎলল্লক্লিবা প্রপোজেল অসি ম্যান্মারদগী হায়জিল্লকপা ইলিগেল ইম্মিগ্রেন্টশিং খন্দোক্লবা হোৎনবদা এন আর সি মথৌ তায় হায়বনি। অদুবু ইন্টরনেসনেল বোর্দরগা য়ুমথংনরিবা ইন্দিয়ান ষ্টেট অসি মণিপুর খক্তা নত্তে। মরম অদুনা এন আর সি মথৌ করম্না মণিপুর খক্তদা তৌগদৌরিবনো। মসি মীচং মীখায় নাইবা ওইনা থোক্লোইদ্রা। কুকি জো পোপুলেসনগী মরক্তা ইলিগেল ইম্মিগ্রেন্ট, রিফ্যুজি নত্রগা মওং চানা মীশিং হেনগৎলকপগী ইশুকী মতাংদা ওইরবদি অহানবা অশেংবা দেমোগ্রাফিক দাটা অমা পুথোকপা মথৌ তায়। অশেংবা দেমোগ্রাফিম দটা অদু পুথোকপদা খ্বাইদগী মতিক চাবা খুৎলাই অসি সেন্সসনি। মরম অদুনা ২০২৭গী সেন্সস দটা পুথোক্ত্রিঙৈদা এন আর সি তৌগদবনি হায়বা দিমান্দ অসি মরম চাদবা অমনি।

কম্যুনিটি অমতগী ৱাফম নত্তনা এন আর সি তৌরকপা মতমদা কুকি জো, মৈতৈ নত্রগা নাগা কম্যুনিটি খুদিংমক শোক্কনি। মসিগী খুদম হায়ববু অসামদা তৌখিবদুদা মীয়াম্না খঙনরবনি। মণিপুরগী নাগা লিদরশিংনা এন আর সি তৌবা অসিদা সপ্পোর্ট তৌরিবা অসি হৌজিক কুকি জোগা নাগাগী মরক্তা উংখৎনবা লৈবনা মৈতৈশিংনা নাগাগী মীচংদা লেপ্পিনবাগীদমক তৌবনি খল্লি। মমাগী সেন্সস তৌখিবদা মওং চাদনা মীশিং খ্বাইদগী হেনগৎখিবা লম অসি নাগাশিংনা নম্না খুন্দাবা সেনাপতি দিষ্ট্রিক্টনি। মসিদা এন আর সি তৌবদা মতিক চায় হায়না সপ্পোর্ট তৌরিব্রা নত্রগা কুকি জোগী মায়োক্তা চত্থবা পোলিটিকেল ষ্ট্রেতিজি অমরা হায়বসিসু অচৌবা ৱাহং অমনি।

ইন্দিয়া লৈত্রিঙৈদা ঐখোয়গী মীওইশিং হৌজিক লৈরিবা লমসিদা অদুমক লৈরিবনি। লাইবক থিবদি বৃটিশ রুলগী মখাদা ঐখোয়গী হোমলেন্দশিং দিভাইদ তৌখি। মসিনা ঐখোয়গী মীওইশিং হৌজিক্না ইন্দিয়া, ম্যান্মার অমদি বংলাদেশতা তোঙান তোঙানবা খুন্দাহনবগী মরম ওইখি হায়না ফোঙদোকখি।

## ১৯৫১না বেজ ইয়র ওইরগা...

*লমায় ১গী মখা...*মহাক্না মখা তানা হায়, মণিপুর মীয়ান্না ঙসি তাল্লিবা দিমান্দ এন আর সি অসি ১৯৫১দা বেজ ইয়র ওইরগা অপদেট তৌগদবনি হায়বগী দিমান্দ অহোংবা লৈতে। দিমান্দশিং অসি ফংনবা মীয়ামগা লোয়ননা পুন্না চঙশিনমিন্নখিসি হায়খি।

মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা মীয়ান্না নো এন আর সি নো সেন্সস, নো আই দি পি সেটলমেন্ট নো সেন্সস, বেজ ইয়র য়াওদনা এন আর সি তৌবা য়ারোই অমদি মণিপুরগী অপূনবগী শক্তম কায়বা য়ারোই হায়বা খোল্লাও কয়াসু লাউখি।

## ঐখোয়গী ট্রেদিসন অমদি ...

*লমায় ১গী মখা...* লাই নিংবা অমদি ঈশ্বরনা তাকপীরম্বা লিক্লমদা চৎতুনা ঈশ্বর মশক খঙলবা মতম খক্তদা ঐখোয় মশেলগী মরক্তা নুংশি চান্নবা হেনগৎপা ঙম্বতা নত্তনা লমদম অসিদা ইং তপ্না লৈবা অমদি লৈবাক মরা তপ্না পানবা ঙমগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

## ওজা ৭তা ষ্টেট টিচর্স...

*লমায় ১গী মখা...* ইম্ফাল ৱেষ্টকী সগোলবন্দ পোপ্যুলর অপ্পর প্রাইমরি স্কুলগী আর্টস গ্রেজ্যুএট টিচর আর কে বাদল সিংহ, ইম্ফাল ৱেষ্টকী তাউবুংখোক অপ্পর প্রাইমরি স্কুলগী সাইন্স গ্রেজ্যুএট টিচর হঞ্জবম সঙ্গিতা, কামজোং দিষ্ট্রিক্টকী কামজোং হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী লেকচরর (হিষ্টরি) প্রিন্সিপাল ইন চার্জ ফেলিম কৈশিং, থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী চাউয়াইমা হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী লেকচরর (মণিপুরী) ককচিংতাবম প্রমোদিনি অমদি তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টকী তেংনৌপল গভর্ণমেন্ট হায় স্কুলগী সাইন্স টিচর এম মাংখোনেং হাউকিপনি হায়রি।

# ইলেক্ত্রোরেল রোলগা মরী লৈননা লৈবাকসিদা চথরিবা স্পেসিয়েল ইন্টেন্সিভ রিভিজন অসি অরানবা খোঙথাংনি ঃ অশোক লভাসা



ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ০৪ (এজেন্সি): ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়ানা ইলেক্ত্রোরেল রোলগা মরী লৈননা লৈবাক অসিদা চথরিবা স্পেসিয়েল ইন্টেন্সিভ রিভিজন (এস আই আর) অসি অরানবা খোঙথাংনি। মশিং য়াম্লবা মীয়ামগী মথক্তা লান্না ইম্পোজ তৌরে হায়না ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়াগী হান্নগী ইলেক্সন কম্মিস্নর অশোক লভাসানা ফোঙদোকখ্রে।

ফোর্মর ইলেক্সন কম্মিস্নর অশোক লভাসানা ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়ানা স্পেসিয়েল ইন্টেন্সিভ রিভিজন (এস আই আর) অসি লৈবাক অসিগী লৈরিবা লোনা অয়াবা পীরবসু লৈবাক অসিদা এস আই আরগী প্রোসেস কদায় ফাওবা নিয়ম চুন্না পাঙথোক্লিবগে হায়বসি অচৌবা ৱাহং অমনি হায়না এসোসিয়েসন ফোর দেমোক্রেটিক রিফোর্ম (এ দি আর)না শীন্দুনা পাঙথোকখিবা জগদিব সিংহ সোকার মেমোরিয়েল লেকচরগী থৌরমদা মরুওইবা মীথুংলেন ওইনা শরুক য়ারদুনা অশোক লভাসানা ফোঙদোকখিবনি।

অশোক লভাসানা থৌরম অদুদা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা লৈবাক অসিগী লোনা অয়াবা পীরে হায়বগী মতাগুম ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মখাদা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা ইন্সটিট্যুসন, কন্সটিট্যুসনেল বোদি অমদি লৈঙাক য়াওনা লেপ্পা লৈতনা মখোয়না অচুম্বনি খনবা থবক কয়া নোংমা নোংমগী লেপ্তনা তৌবগী থৌওং লৈবাক অসিদা থেংনবা হেনগৎলক্লি।

লৈবাক অসিদা লৈরিবা মশীং য়াম্লবা মীয়ামগী মথক্তা স্পেসিয়েল ইন্টেন্সিভ রিভিজন (এস আই আর)গী এক্সরসাইজ অসি অনফিয়র ওইবা প্রোসিদ্যুর অমনি। এস আই আরগী এক্সরসাইজ অসি মতমগা চুনদ্রবা আউদেটেদ ওইরবা কন্সেপ্ট অমনি। মরম অদুনা এস আই আর পাঙথোক্লিবা মরী লৈনবা ওথোরিটিশিংনা অচুম্বা করিনো হায়বা অদু মমুৎ তানা খঙদোক্লবা হোৎনদুনা মখা তাবা খোঙথাং পায়খৎপগী মথৌ তাই। লৈবাক অমগী লো হায়বসি লৈবাক মীয়াম খক্তদা এনফোর্সিং তৌবা অদু নত্তে। লৈবাক মীয়াম্মু ঙাক-শেন্দুনা থম্না হায়বা অসিসু লোগী মনুংদা চনবা মরুওইবা ওথোরিটিগী থৌদাং অমনি। এস আই আর পাঙথোক্লিবা মরী লৈনবা ওথোরিটিনা লৈবাক অসিদা লোগী মতুং ইন্না এস আই আর পাঙথোকপনি হায়না পাউখুম পীরক্লবসু করিগীদমক্তা মশীং য়াম্লবা ক্রোর ১৩ রোমগী ভোটর নৌনা ফোঙবা ইলেক্ত্রোরেল রোলদগী লৌথোকখিবনো হায়বা অসিগী মতাংদা মরী লৈনবা ওথোরিটিনা পাউখুম পীফম থোক্ত্রা অমদি ইলেক্ত্রোরেল রোলদগী লৌথোকখ্রবা হান্নগী ভোটরশিংবু অমুক হন্না ইলেক্ত্রোরেল রোলদা য়াওবা য়াবগী চৎন-কাঙলোন মরী লৈনবা ওথোরিটিনা লৌখৎখিবা লৈরব্রা হায়নসু অশোক লভাসানা হংখি।

এস আই আর পাঙথোকপা অসিনা হান্নগী ভোটর চাদা ৩৩ ভোট থাদবগী রাইট মৎপীখ্রে হায়নসু জগদিব সিংহ সোকার মেমোরিয়েল লেকটরগী থৌরম অদুদা অশোক লভাসানা এস আই আরবু য়ানিংদবা ফোঙদোকখি।

পনবা য়াবদি ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়ানা লৈবাক শীনবা থুংনা স্পেসিয়েল ইন্টেন্সিভ রিভিজন (এস আই আর) অসি লৈবাক অসিদা পাঙথোকপা মীখলশিংদা বি জে পি অমদি পার্টি অসিগা নক্না চৎমিন্নবা পার্টিশিংনা মায় পাক্লবগীদমক অখন্নবা খূৎশিল থৌরাং তৌদুনা বি জে পিনা লুচিংবা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা ই সি আইবু খূৎলায় ওইনা শীজিন্নদুনা চথবনি হায়না ওপোজিসন পার্টিনা সেন্টর অমদি ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মায়োক্তা মরাল শীখিবসু লৈখ্রবনি।

# আই এস আর ওনা লৈবাক অসিগী অহানবা জিওসিনক্রোনোস ইমেজিং সেটেলাইট ওর্বিটতা দিপ্লোয় তৌখ্রে



ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ০৪ (এজেন্সি): ইন্দিয়ান স্পেস রিছার্স ওর্গনাইজেসন (আই এস আর ও) না লৈবাক অসিগী অহানবা জিওসিনক্রোনোস ইমেজিং সেটেলাইট ই ও এস-০৫ ওর্বিটতা মায় পাক্লা দিপ্লোয় তৌখ্রে।

ই ও এস-০৫ অসি ওর্বিটকী জিওসিনক্রোনোসদগী ওপরেট তৌনবগীদমক অখন্নবা দিজাইন তৌদুনা শেমখিবা লৈবাক অসিগী অহানবা ইমেজিং সেটেলাইট অমনি।

ঙসি ইরাই নুমিত্তা আই এস আর ও জি এস এল ভি-১৭না অন্ধ্র প্রদেশকী শ্রীকোতাদা সব-জিওসিনক্রোনোস ট্রান্সফর ওর্বিটতা মায় পাক্লা অহানবা ওইনা ওপরেট তৌনবগীদমক ইমেজিং সেটেলাইট ই ও এস-০৫ লোঞ্চ তৌদুনা মায় পাক্লা ওর্বিটতা দিপ্লোয় তৌখিবনি।

মিটর ৫১.৭ শাংবা রোকেট ১ অন্ধ্র প্রদেশকী শ্রীহরিকোতাদা লৈবা ইসরোগী সতিসধৱন স্পেস সেন্টরদা ঙসি অয়ুক পুং ২.৫৫ রোম তাবা মতমদা অনীশুবা লোঞ্চ পেদতগী মায় পাক্লা লোঞ্চ তৌদুনা ওর্বিটতা লৈবাক অসিগী অহানবা জিওসিনক্রোনোস ইমেজিং সেটেলাইট ই ও এস-০৫ ওর্বিটতা দিপ্লোয় তৌবা ঙমখিবনি।

অমরোমদা আই এস আর ওনা আর্থ ওবজার্ভিং সেটেলাইট ই ও এস-০৫ মায় পাক্লা ওর্বিটতা লোঞ্চ তৌখিববু কোংগ্রেস পার্টিনা নুংঙাইবা অমদি থাগৎপা ফোঙদোরক্লি। কোংগ্রেস পার্টিগী প্রসিদেন্ট মালিক অর্জুন খারগেনা সোসিয়েল মেদিয়াগী খূৎথাংদা থাদোরকপা ৱারোল অমদা আই এস আর ওনা ই ও এস-০৫ মায় পাক্লা দিপ্লোই তৌখিবা অসিনা লৈবাক অসিনা চঙশিল্লিবা স্পেস প্রোগ্রাম অসি অমুক্কা হেন্না খুমাঙ য়াংশিন্না চঙশিনবা ঙম্লগনি হায়নসু মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

# ওরিষ্যঃ লৌমীশিংগীদমক সি এম মাজিনা লুপা ক্রোর ৮৩৩ থাদোকখ্রে


ভুবনেশ্বর, সেপ্টেম্বর ০৪ (এজেন্সি): ওরিষ্যগী লৈরিবা লৌউ শিংউদা থবক তৌরিবা লৌমী মীয়ামদা ফাইনান্সিয়েল এসিস্টেন্ট পীবা ওইনা চৎলিবা রবি সিজন ২০২৬-২৭গী ওইনা সি এম- কিষান স্কিমগী ৫শুবা ইন্সটোলমেন্ট ওইনা চীফ মিনিষ্টর মোহন চরন মাজিনা পুন্না লুপা ক্রোর ৮৩৩গী শেনফম থাদোকখ্রে।

সি এম মাজিনা লুপা ক্রোর ৮৩৩গী শেনফমশিং অদু মরী লৈনবা লৌমীশিংগী লৈরিবা বেঙ্ক একাউন্টশিংদা দি বি টিগী খূত্থাংদা ত্রান্সফর তৌখ্রে।

সি এম মাজিনা পাউমীশিংগা উন্নবদা ওরিষ্য লৈঙাক্লা থাজবা পীখিবা অদুগী মতুং ইন্না মখোয়গী সি এম কিষান স্কিমগী মখাদা বেনিফিসরি ওইরিবা লৌমীশিংদা দি বি টিগী খূত্থাংদা লুপা ক্রোর ৮৩৩গী শেনফম মশা মশাগী বেঙ্ক একাউন্টশিংদা ত্রান্সফর তৌখ্রে। ওরিষ্য লৈঙাক্লা লৌমীশিংদা পীরিবা ফাইনান্সিয়েল এসিস্টেন্ট অসিনা লৌউ শিংউগী থবক্তা মথৌ তাবা মরু মরাং, হার অমদি অতৈ অতোপ্পা লৌউ শিংউগী হীরমশিংদা শীজিন্নদুনা লৌমীশিংনা হান্নদগী অমুক্কা হেন্না পোথোক পুথোকপা ঙম্লগনি হায়না ফোঙদোকখি।

মহাক্লা মখা তারদুনা ফোঙদোকখিবদা ওরিষ্য লৈঙাক্কী মায়কৈদগী ষ্টেট অসিদা লৈরিবা লৌমীশিংগী ইনকম চাম্মদা ১০০ হেনগৎহন্দুনা লৌমীশিংগী পূন্সি ৱাত্ত-পাদবা নুংঙাই য়াইফবা অমা ওইহন্দুনা ষ্টেট অসিবু খূৎকন পাঙ্গনবা ষ্টেট অমা ওইনবগীদমক লৈঙাক্লা সি এম-কিষান স্কিম অসি পায়খৎপনি হায়রি।

## Crossword # 1135



Across
1. France's capital
6. Couple
10. Bard of ____
14. Ham it up
15. Pimples
16. Casino game
17. Accumulate
18. Makes again
20. Most painful
22. Food regimen
23. Compass dir.
24. Untruthful one
26. Diplomacy
28. Pierced
32. Sting
36. Hewing tool
37. ____ Scotia
38. Vatican leader
39. Spoke falsely
41. Cares for
44. "The Lion King" villain
45. Besides that
46. Bad's opposite
48. Assoc.
49. Rod and ____
50. Excessive
53. Andes native
55. Horse's hair
56. Fire remains
59. Broadcasts
61. Sailor
65. Moved unsteadily
68. Apache, e.g.
69. ____ Winslet of "Titanic"
70. A few
71. Doctrine
72. Flower stalk
73. Look-alike
74. Prepares copy

Down
1. Pod vegetables
2. Munitions, for short
3. Loud noise
4. Pronoun
5. Jam ____ (impromptu concert)
6. Golf goal
7. Served perfectly
8. Provoke
9. Peruse again
10. Alias abbr.
11. Animal docs
12. Dollar bills
13. Snout
19. And so on (Abbr.)
21. Fortuneteller's card
25. Speak wildly
27. Chef's units (abbr.)
28. More wan
29. Deport
30. ____ Witherspoon of "Sweet Home Alabama"
31. Ballroom dance
33. Hot chocolate
34. Separate
35. Highway sign
40. Sub shop
42. College housing
43. Fizzy beverages
47. Eating alcove
50. Coldest
51. Not wide
52. Approached
54. Badger
56. Questions
57. Right away!
58. Detest
60. Half (prefix)
62. Short skirt
63. Assist a crook
64. Butterfly catchers
66. Precious stone
67. Cozy room

পাউখুম লমায় ৭দা ...

# নার্কোটিক নেটৱার্ক থুগায়নবা অসামদা এন্টি-নার্কোটিক টাস্ক ফোর্স অথুবদা লিংলগনি ঃ হেমন্ত বিস্বা শর্ম্মা



ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ০৪ (এজেন্সি): অসামদা নোংমা নোংমগী দ্রগ ত্রাফিকিং লেপ্তনা হেনগৎলক্লিবা অসিবু মায় পাক্লা থেংনদুনা দ্রগ নেটৱার্ক থুগায়নবগী পান্দমদা অসামদা অনৌবা এন্টি-নার্কোটিক টাস্ক ফোর্স অমা লিংলগনি হায়না চীফ মিনিষ্টর হেমন্ত বিস্বা শর্ম্মানা ফোঙদোকখ্রে।

দেরগাওনদা লৈবা লচিফ বারফুকান পুলিস ষ্টেসনদা পাঙথোকখিবা নুমিৎ নীনিগী ওইবা সেনিয়র সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিস কনফরেন্সতা চীফ মিনিষ্টর হেমন্ত বিস্বা শর্ম্মানা এন্টি-নার্কোটিক টাস্ক ফোর্স অমা লিংনবগী ৱারেপ লৌখিবনি।

চীফ মিনিষ্টর হেমন্ত বিস্বা শর্ম্মানা কনফরেন্স অদুদা অসাম লৈঙাক্লা নার্কোটিক্কী মায়োক্তা চঙশিল্লিবা ড্রাইভ অসি এন্টি-নার্কোটিক টাস্ক ফোর্স লিংদুনা অমুক্কা হেন্না মায় পাক্লা ড্রাইভ চথরগনি। হৌখিবা মতম খরা অসিদা দ্রগ ত্রাফিকরশিংনা ম্যান্মার-অরুনাচল প্রদেশতা অনৌবা দ্রগ রুট ওইনা শীজিন্নবগী থৌওং কয়া লেপ্তনা হেনগৎলক্লি। হৌখিবা চহী ৫ অসিদা অসাম লৈঙাক্লা মালেমগী কৈথেলদা লুপা ক্রোর ৩,৩০০ হেনবগী দ্রগ ফাগৎপগা লোয়ননা দ্রগ ত্রাফিকিংদা চেন্নবা মীওই ২৬,৫০০ হেন্না অসাম পুলিসনা ফাগৎখিবা লৈখ্রে।

ম্যান্মারদগী মিজোরম অমদি মণিপুরগী খূত্থাংদা তোঙান তোঙানবা নার্কোটিক সবষ্টেন্স কয়া পুশিল্লকপগী থৌওং কয়া মতম অমদা থেংনরম্মী। অদুবু হৌখিবা থা খরা অসিদা দ্রগ ত্রাফিকরশিংনা অরুনাচল প্রদেশকী চাংলাংদগী অসামগী টিন্সুকিয়াবু অনৌবা দ্রগ রুট ওইনা শীজিন্নবগী থৌওং লেপ্তনা হেনগৎলক্লি। নৌনা হোংলক্লিবা দ্রগকী রুট অসিনা মরুওইনা অসামদা থেংনরিবা অচৌবা চৈথেং অসিবু অসাম লৈঙাক্লা লুম্না লৌদুনা মতম কয়াগী মমাঙদগী দ্রগকী মায়োক্তা অখন্নবা ড্রাইভ কয়া চথদুনা লাক্লি। হায়রিবা ড্রাইভ অসিবু অমুক্কা হেন্না মপাঙ্গল কনখৎহন্দুনা ষ্টেট অসিদগী নার্কোটিকপু মরু ফংনা মুথৎনবগী পান্দমদা অসাম লৈঙাক্লা অনৌবা এন্টি-নার্কোটিক টাস্ক ফোর্স অমা লিংনবা ৱারেপ লৌবনি হায়না ফোঙদোকখি। অমরোমদা নুমিৎ নীনি চুপ্পা পাঙথোকখিবা কনফরেন্স অুদগী মনুং চন্না অসামগী অনৌবা এস দি আর এফ বট্টালিয়ন অমদি অসাম পুলিস বট্টালিয়ন অমা লিংনবগী ৱারেপসু লৌখি।

# কোংগ্রেসকী এম পি অমগী মিং অনৌবা ইলেক্ত্রোরেল রোলদা য়াওরকখিদ্রে, ই সি আইনদি য়াওই হায়রি




ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ০৪ (এজেন্সি): কোংগ্রেস পার্টিগী লুচিংবা ওইবতা নত্তনা পাটলিয়লাগী এম পিসু ওইরিবা ধরমবীর গান্ধীনা হৌখিবা ওগষ্ট ১৩দা এস আই আর পাঙথোক্লবা মতুং ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়ানা পঞ্জাবকী ওইনা ফোঙখিবা ইলেক্ত্রোরেল রোল ড্রাফটতা মহাক্কী মীং অমদি ইমুং মনুংগী মীওইশিংগী মীং য়াওরকখিদ্রে হায়না ফোঙদোরকখিবা ৱাফম অদুবু ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়ানা য়াওই হায়না ফোঙদোরক্লি।

ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী কোংগ্রেস পার্টিগী লোক সভাগী এম পি ওইরিবা ডা. ধরমবীর গান্ধী অমদি মহাক্কী লোইনবী জবদম্বা কৌশাল, মচানুপী রোহানি প্রসার, মচানুপা নবেন্ধু অমদি মমৌনুপী সাহত সাহুজাগী মীং ওগষ্ট ১৩দা ফোঙখিবা ইলেক্ত্রোরেল রোলগী অনৌবা ড্রাফ্ট অদুদা য়াওই হায়না শেংদোরক্লি।

ইলেক্সন কম্মসন ওফ ইন্দিয়ানা ধরমবীর গান্ধী অমদি মহাক্কী ইমুং মনুংগী মীওই ৪ য়াওনা নৌনা ফোঙবা ইলেক্ত্রোরেল রোলগী ড্রাফ্টতা য়াওই হায়না শেংদোরক্লিবা ৱাফম অদু এম পি ধরমবীর গান্ধীনা পঞ্জাবতা ই সি আইনা পাঙথোকখিবা স্পেসিয়েল ইন্টেন্সিভ রিভিজনগী এক্সরসাইজ লোয়রবা মতুং নৌনা ফোঙবা ইলেক্ত্রোরেল রোলগী ড্রাফ্টতা মহাক্কী মীং অমদি ইমুং মনুংগী মীওই কয়া য়াওরকখিদ্রে হায়না ক্লেইম তৌরকখিবা মতুং ই সি আইনা ক্লারিফিকেসন পীরকখিবনি।

পনবা য়াবদি, এ এ পি থাদোক্তুনা চহী অসিদা বি জে পিদা নৌনা জে ইন্ট তৌখিবা এম পি রঘব চাদাগী মিং পঞ্জাবকী ওইনা ই সি আইনা ফোঙখিবা অনৌবা ইলেক্ত্রোরেল রোলদা য়াওরকখিদবগী থৌদোক থোকখিবসু লৈখ্রে। ইলেক্ত্রোরেল রোলদা মীং য়াওরকখিদবা অদুবু এম পি রঘব জাদানা এ এ পিনা চথবা পোলিটিকেল ভেনদেতানা মরম ওইরগা থোকপনি হায়না পঞ্জাবকী এ এ পি লৈঙাকপু মরাল শীখিবসু লৈখ্রে। অদুবু রাঘব চাদানা শীরকখিবা ৱাফম অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্লদুনা এ এ পিগী মায়কৈদগী পঞ্জাবতা চথখিবা স্পেসিয়েল ইন্টেন্সিভ রিভিজন অদু পঞ্জাব লৈঙাক্লা শীনদুনা পাঙথোকখিবা এক্সরসাইজ নত্তে। ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মীৎয়েং মখাদা ই সি আইনা এস আই আর চথখিবনি হায়না অকনবা ৱাফম ফোঙদোরকখিবসু লৈখ্রবনি।

# টেরর ভিক্তিমগী ইমুং মনুংশিংদা এম বি বি এস তম্বগী খূদোংচাবা পীননবা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা থবক লৌখৎখ্রে




ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ০৪ (এজেন্সি): চৎলিবা একাদেমিক ইয়ার ২০২৬-২৭ অসিদা সেন্ত্রেল পুল ওইনা এম বি বি এস তম্বা য়াবগী অহেনবা খূদোংচাবা টেরর ভিক্তিমগী ইমুং মনুংশিংদা পীনবা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা মথৌ তাবা থবক লৌখৎখ্রে।

মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফিয়ার্সকী মখাদা লৈবা কাউন্টর টেরোরিজম এন্দ কাউন্টর রেদিকেলাইজেসন দিভিজন (সি টি সি আর)গী মায়কৈদগী হীরম অসিগী মতাংদা তোঙান তোঙানবা ষ্টেট অমদি য়ুনিয়ন টেরিটোরিশিংদা থবক লৌখৎনবা চে থাখ্রে।

লৈবাক অসিদা থেংনরিবা টেরোরিজমগী চৈথেং ফংলবা ইমুং মনুংগী মীওইশিংগী মচা মশু য়াওনা লৈখিদ্রবগী লোইনবীনা করিগুম্বা একাদেমিক ইয়ার ২০২৬-২৭ অসিদা এম বি বি এস তম্নবগী মরী লৈনবা ওথোরিটিদা হায়জরকপা লৈরবদি ইলিজিবল ওইবা কেন্দিদেটশিং অদুগী মরক্তা সেন্ত্রেল পুল ওইনা ষ্টেট খূদিংগী এম বি বি এস সিট ৪ তম্বা য়াবগী খূদোংচাবা পীগনি হায়না খঙহনখ্রে।

হোম মিনিষ্ট্রিগী মায়কৈদগী থোকপা নোটিফিকেসন অমগী মতুং ইন্না লৈঙাক্লা লৌখৎলক্লিবা অখন্নবা খোঙথাং অসিগী কান্নবা লৌনিংবা ইলিজিবল ওইবা কেন্দিদেটশিংনা লাক্লিবা সেপ্টেম্বর ১২ ফাওবগী মনুংদা হোম দিপার্টমেন্টনা এটেষ্টেদ তৌরবা মরী লৈনবা দোক্যুমেন্টশিং স্পিদ পোষ্ট নৎত্রগা রেজিষ্টর পোষ্টনা থাজিল্লক্কদবনি হায়না খঙহল্লক্লি।

# ইন্দিয়ানা শঙ্গোম হেন্না পুথোক্লবা হোৎনরি

ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ০৪ (এজেন্সি)ঃ ইন্দিয়া হায়বা মতমদা ঐখোয়গী মিৎতা নুংশিবা অমসুং কৎথোকপা ঙমজবা লৌমীশিংগী শক্তম অমা লাকই। মালেমদা শঙ্গোম খ্বাইদগী হেন্না পুথোকপা লৈবাকশিংগী মনুংদা ইন্দিয়ানা মাঙজিল থানা লৈরি। অঙাংশিংগী পূন্সি অমসুং লৌমীশিংগী হিংনবগী মরুওইবা শঙ্গোম পুথোকপগী লমদা ইন্দিয়ানা চহী খরা অসিদা অহেনবা মওংদা চাউখৎলক্লি। মসি হ্বাইট রিভোলুসন হায়না খঙনবা অচৌবা মায় পাকপা অমনি।

শঙ্গোম অসি পূন্সিগী মরুওইবা পোৎলম অমা ওইবখক নত্তনা মসিনা ইমুং লাক্ষ-লাক্ষশিংগী হিংনবগী পান্থৈ ওইরি। লৌমীশিং, অপিকপা অমসুং মার্জিনেল ফার্মরশিং অমসুং শা-ষন লোয়বশিংনা নুমিৎ খুদিংগী শঙ্গোম য়োনবদগী নোংমগী শেন্দান লম্বী ওইরি। মরম অসিনা সেন্টর অমসুং ষ্টেট লৈঙাকশিংনা শঙ্গোম পুথোকপা হেনগৎহনবা, শা-ষন লোয়বগী থবক চাউখৎহনবা অমসুং দাইরি ইন্দষ্ট্রিগী মপাঙ্গল হেনগৎহন্নবা অখন্নবা মীৎয়েং চঙলি।

বিহার লৈঙাক্লসু দাইরি সেক্টরবু অনৌবা মপাঙ্গল পীনবা অমসুং চাউখৎহন্নবগী থৌরাং কয়া লৌখৎলি। বিহারগী উপ-মুখ্যমন্ত্রি সম্রাট চৌধুরিনা রাজ্য অসিদা নোংমদা শঙ্গোম লিটর কোটি ১ ফংহন্নবা পান্দম থমখ্রে। মসিগীদমক মোর্দন টেক্নোলোজি, অফবা ষনাও মচা, শা-ষন লোয়বশিংগী ত্রেনিং, ভেটেরিনরি সার্ভিস অমসুং দাইরি ইনফ্রাষ্ট্রক্সচর শেমগৎপগী থবক পায়খৎলি।

মসিগী মনুংদা নোংমদা ২০ মেত্রিক তোনগী কেপাসিটি লৈবা কুর্দ অমসুং লাসি প্লান্ট, সি এন জিগী পেত্রোল পম্প অমসুং মোর্দন কেফেটরিয়া অমগী উরেপ উয়ুং কয়াসু তমখ্রে।

মথংদা হমেং লোয়বগী থবক হেনগৎহন্নবগীদমক তোঙানবা ফেদরেসন অমা শেমগৎনবগী প্রোপেজেল থমখি। হমেংগী শঙ্গোম খোমগৎপা, প্রোসেসিং তৌবা অমসুং মার্কেটিংগী সিষ্টেম শেম্বনা খুঙ্গংগী লমদমশিংদা হেন্না চাউখৎপা অনৌবা শেন্থোক লম্বী অমা শেম্বদা মতেং ওইগনি।

মসিগী মথক্তা প্রধান মন্ত্রি পাশু জন অশাধি কেন্দ্র অমসুং হাংদোক্তুনা খুঙ্গংগী মফম খুদিংমক্তা অহোংবা অমসুং ক্বালিটি লৈবা হিদাক লাঙথকসু হামেং লৈবা ওনরশিংদা ফংহল্লগনি। ইন্দিয়াগী ৱাইট রিভোলুসন অসি ১৯৭০দা ওপরেসন ফ্লদনা হৌদোকখি। নেসনেল দাইরি দিলভপমেন্ট বোর্দ (এন দি দি বি)না ইন্দিয়াবু শঙ্গোম পুথোকপদা সেল্ফ রেলিয়েন্ত ওইহনবদা অচৌবা থৌদাং লৌখি। ঙসি ইন্দিয়ানা মালেমগী অপূনবা শঙ্গোম পুথোকপগী ১ / ৪ শরুক পুথোক্লি।

দাইরি সেক্টর অসি ইন্দিয়াগী লৌউ-শিংউগী শেল-থুমগী অচৌবা শরুক অমা ওইরক্লি।

লৈবাক অসিগী রাজ্যশিংগী মনুংদা রজাস্থান অসি খ্বাইদগী হেন্না শঙ্গোম পুথোকপা রাজ্য অমা ওইরক্লি। উট্টর প্রদেশসু ইন্দিয়াগী খ্বাইদগী হেন্না শঙ্গোম পুথোকপা রাজ্যশিংগী মনুংদা অমনি।

# চাইল্ড লেভর অমদি ত্রাফিকিং নেটৱার্ক থুগায়দুনা অঙাং ৩,৮০০ রেস্ক্যু তৌখ্রে



ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ০৪ (এজেন্সি): লৈবাক অসিদা চথরিবা চাইল্ড লেভর, ত্রাফিকিং অমদি এক্সপ্লোইটেসনগী থবক পাক শন্না থুগায়দুনা অঙাং ৩,৮০০ হেন্না রেস্ক্যু তৌখিবগা লোয়ননা হীরম অসিগী মতাংদা চেন্নবা মীওইশিংগী মথক্তা এফ আই আর ৫৭৫ লৌখৎখ্রে হায়না মিনিষ্ট্রি ওফ ৱুমেন এন্দ চাইল্ড দিভলপমেন্টকী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

এন সি এ সি আর অমদি তোঙান তোঙানবা এজেন্সিশিংগা খূৎশন্নদুনা হৌখিবা জুন ১২দগী হৌদুনা ওগষ্ট ৩১ ফাওবা লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা চথখিবা ওপরেসনদা পীল্লিবা অঙাং ৩,৮০০ হেন্না রেস্ক্যু তৌবা ঙমখিবনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

মিনিষ্ট্রি ওফ ৱুমেন এন্দ চাইল্ড দিভলপমেন্টকী মায়কৈদগী মখা তানা ফোঙদোরকপদা লৈবাক অসিদা আইনগী মায়োক্তা পীল্লিবা অঙাংশিংবু থবক পীবা অমদি চাইল্ড ত্রাফিকিং অমসুং এক্সপ্লোইটেসন পাক শন্না চথবা ষ্টেটশিংদা অখন্নবা মীৎয়েং থমদুনা নেসনেল কম্মিসন ফোর প্রোটেক্সন ওফ রাইট (এন সি পি সি আর) না পান-ইন্দিয়া রেস্ক্যু এন্দ রিহেবিলিটেসন কেম্পেইনগা খূৎশন্নদুনা তোঙান তোঙানবা ষ্টেট অমদি য়ুনিয়ন টেরিটোরিগী লৈরিবা এদমিনিষ্ট্রেসনগা লোয়ননা চাইল্ড লেভর অমদি ত্রাফিকিং নেটৱার্ক ওপরেসন চথদুনা মায় পাক্লা থুগায়বা ঙমখ্রে হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

মিনিষ্ট্রি ওফ ৱুমেন এন্দ চাইল্ড দিভলপমেন্টকী মায়কৈদগী পীক্লিবা অঙাংশিংদা আইনগী ৱাংমদা চথরিবা মীওৎ মীনৈশিং অসিবু অঙনবা মতমদা থবক লৌখত্তুনা থিংবা ঙম্নবগীদমক্তা মরী লৈনবা ওথোরিটিশিংনা তাঙ্কক নাইনা চাইল্ড লেভর অমদি ত্রাফিকিংগী মায়োক্তা ওপরেসন চথগদবনি অমদি ওপরেসনদা রেস্ক্যু তৌরবা অঙাংশিংগী অকুপ্পা দিটেলশিং তাঙ্কক নাইনা খঙহনবগা লোয়ননা চাইল্ড ত্রাফিকিংদা চেন্নবা মীওইশিং ফাদুনা মখোয়গী মথক্তা মথৌ তাবা এফ আই আর লৌখৎনবসু খঙহনখ্রে। অসিদা নত্তনা রেস্ক্যু তৌরবা অঙাংশিং অদু মথৌ তাবা রিহেবিলিটেসনগী খোঙথাং লৌখত্তুনা মহৈ মশিন তাকপী তম্বীবগা লোয়ননা কম্পেন্সেসনগী শেনফমসু ফংহনগদবনি হায়না খঙহনখ্রে।

# চহী ১৫ জেলদা লৈবগী চৈরাক পীখ্রে

গুৱাহাতি, সেপ্টেম্বর ০৪ (এজেন্সি): হৌখিবা চহী ২০২০দা এন সি বিনা গুৱাহাতিগী সিক্স মাইল এরিয়াদগী মেথাফেটামাইন কে জি ২.১৪৬ রিকোভর তৌখিবা অদুগী মতাংদা চথরকখিবা কেসকা মরী লৈননা কামরুপ মেত্রোপোলিটান দিষ্ট্রিক্টকী স্পেসিয়েল কোর্টনা মীওই ৩বু মরাল লৈরে হায়না লাউথোকখিবগা লোয়ননা চহী ১৫ লেপ্তনা জেলদা লৈবগী চৈরাক পীখ্রে।

নার্কোটিক কন্ত্রোল ব্যুরো (এন সি বি) গুৱাহাতি জোনেল য়ুনিটকী অখন্নবা কোর্ট অদুনা হায়রিবা মীওই ৩ অদুগী মথক্তা লুপা লাক্ষ ২/২ ফাইন ওইনা থিনবসু খঙহনখ্রে। হায়রিবা ফাইনগী শেনফম অসি কোর্টনা পীরিবা মতম ফাওবগী মনুংদা পীদ্রবদি চহী ১ মখা তানা জেলদা লৈগনি হায়নসু খঙহনখি।

কোর্টনা মেথাফেটামাইন ত্রাফিকিংদা মরাল লৈরে হায়না চহী ১৫ জেলদা লৈবগী চৈরাক পীখ্রবা মীওই অহুম অদুদি সকিল খান অমদি এম দি য়হিয়া খান কৌই। মখোয় অনীমক মণিপুরদগীনি। অদুগা লেমহৌরিবা মীওই অদুনা মিথিলেস কুমার কৌই, বিহারদগীনি হায়রি।

পনবা য়াবদি হায়রিবা মীওই অহুম অদু ২০২০গী ওক্তোবর থাদা সিক্স মাইল এরিয়াদা এন সি বিনা মেথাফেটামাইন কে জি ২.১৪৭গা কোন্ননা ফাখিবনি হায়রি।

## সনা-সুদোকু-১০৬৯গী সোল্যুসন

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 2 | 3 | 1 | 5 | 4 | 8 | 6 | 7 | 9 |
| 6 | 4 | 8 | 3 | 9 | 7 | 2 | 1 | 5 |
| 7 | 5 | 9 | 6 | 2 | 1 | 8 | 4 | 3 |
| 4 | 2 | 3 | 7 | 5 | 6 | 1 | 9 | 8 |
| 1 | 9 | 7 | 2 | 8 | 4 | 3 | 5 | 6 |
| 5 | 8 | 6 | 1 | 3 | 9 | 7 | 2 | 4 |
| 8 | 7 | 5 | 9 | 6 | 2 | 4 | 3 | 1 |
| 3 | 1 | 4 | 8 | 7 | 5 | 9 | 6 | 2 |
| 9 | 6 | 2 | 4 | 1 | 3 | 5 | 8 | 7 |

# কোঙ্গোদা ইবোলা আউটব্রেক থিংবা ঙমদনা লৈরি, মীওই ৩,০৩৯ লৈখিদ্রে লৈঙাক্লা অরোইবা ওইনা খুঙ্গং খূদিংদা চঙদুনা থিংনবা হোৎনগদৌরি

অবুজা, সেপ্টেম্বর ০৪ (এজেন্সি): কোঙ্গোদা থোক্লিবা ইবোলা আউটব্রেক অসি লৈঙাক্লা চথরিবা চৎন-কাঙলোন অসিনা মায় পাক্লা থেংনবা ঙমদ্রি। মখা তানা আউটব্রেক থোক্তুনা মীওই কয়া অশি-অনা থোকপগী থৌদোক লেপ্তনা থোক্লিবা অসিবু থিংবা ঙন্নবগীদমক অখন্নবা খোঙথাং ওইনা কোঙ্গো লৈঙাক্লা খুঙ্গং খূদিংদা চঙদুনা আউটব্রেক অসিবু থিংবা ঙন্নবগী খোঙথাং লৌখৎনবা ৱারেপ লৌখ্রে।

অফ্রিকা সেন্টর ফোর দিজিজ কন্ত্রোল এন্দ প্রিভেন্সনগী মায়কৈদগী কোঙ্গোদা থোক্লিবা ইবোলা আউটব্রেক সি হৌজিক ফাওবগী ওইনা পীক য়ৌনা থোক্ত্রি হায়বগী থাজবা লৈ। হৌখিবা চহী অসিগী মে থাগী ময়াই থংবা চয়োলদগী হৌদুনা কোঙ্গোদা থোক্লিবা ইবোলা আউটব্রেক অসিনা মরম ওইরগা লৈবাক অসিদা ইবোলাগা মরী লৈনবা কেস ৬,২৫০ থোক্লি। কেসশিং অসিগী মনুংদা পুন্না মীওই ৩,০৩৯ লৈখিদ্রে। লৈবাক অসিদা মায়োক্লরিবা ইবোলা আউটব্রেক অসি মায় পাক্লা থিংবা ঙন্নবা অখন্নবা খোঙথাং লৌখৎপা মথৌ তাই হায়না ফোঙদোরক্লি।

অফ্রিকাগী সেন্টর ফোর দিজিজ কন্ত্রোল এন্দ প্রিভেন্সন (সি দি সি) গী মতুং ইন্না হৌখিবা চহী ২০১৪দগী হৌদুনা ২০১৬ ফাওবা ৱেষ্ট অফ্রিকাদা থোকখিবা ইবোলা আউটব্রেক অদুদা মীওই ১১,০০০ লৈখিদবা অদুগা চাং দন্নরুবদা হৌজিক কোঙ্গোদা থোক্লিবা ইবোলা আউটব্রেক অসি চাদা ৫ হেন্না খুমাঙ য়াংনা ইবোলা আউটব্রেক থোকপগী মমি চাউনা তারি হায়না ফোঙদোরক্লি।

চয়োল অসিগী ওইনা য়ু এস সেন্টর ফোর দিজিজ কন্ত্রোল এন্দ প্রিভেন্সনগী মায়কৈদগী থোকপা খ্বায়দগী নৌবা নোটিফিকেসন অমগী মতুং ইন্না কোঙ্গোদা মায়োক্লরিবাইবোলা অউটব্রেক অসি মায় পাক্লা থেংননবা হোৎনবদা কোঙ্গো লৈঙাক্লা মরু ওইবা খোঙথাং ৫ লৌখৎপা মথৌ তাই হায়না ফোঙদোরক্লি।

য়ু এস সেন্টর ফোর দিজিজ কন্ত্রোল এন্দ প্রিভেন্সনগী মতুং ইন্না কোঙ্গোদা মায়োক্লরিবা ইবোলা আউটব্রেক অসি খুদক্তা সর্ভিলেন্স তৌদুনা ইবোলা ভাইরস ইনফেক্সন তৌরে হায়বগী থিদোকপা মথৌ তাই।

ইবোলা ভাইরস ইনফেক্সন তৌরে হায়বা দিটেক্সন তৌবগী থিন্থবা অসিনা মরম ওইরগা কোঙ্গোদা ইবোলা আউটব্রেক অসি অমুক্কা



হেন্না পাকথোক শন্দোকপদা মতেং পাংলি। হৌখিবা চয়োল অসিদা ইবোলা ভাইরসনা ইনফেক্সন তৌদুনা লৈখিদ্রবশিং অদুগী মনুংদা চাদা ৬৩দি ইবোলাগী লৈরিবা ত্রিটমেন্ট সেন্তর অসিনা পীরিবা মথৌ তাবা লায়েং অদু ফংদনা লৈখিদবা ঙাক্তনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

চৎলিবা চহী অসিগী মে থাগী থাখায় মতমদগী হৌদুনা কোঙ্গোদা থোক্লিবা ইবোলা আউটব্রেক অসি ঙসি ফাওবা থিংবা ঙমদনা মখা তানা পাকথোক শন্দোরক্লি। মরী লৈনবা ওথোরিটিনা ইবোলা আউটব্রেকপু থিংননবা লৌখৎলক্লিবা খোঙথাং অসিবু নৌনা হোংদোক হোংজিন তৌবগী মথৌ তাবা কয়া লৈরে হায়নসু অফ্রিকাগী সি দি সিগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

লেপ্পা লৈতনা শন্দোরক্লিবা ইবোলা আউটব্রেক অসিবু থিংবা ঙম্ননবা কোঙ্গো লৈঙাক অমদি মরী লৈনবা ওথোরিটিনা লৈবাক অসিগী খুঙ্গং খূদিংদা ইবোলা পোজিটিভ ওইবগী কেস দিটেক্সন তৌবগী খোঙথাং লৌখৎনবগী ৱারেপ লৌখিবা লৈখ্রে। ৱারেপ অসিগা মতুং ইন্না কোঙ্গোগী লৈরিবা খুঙ্গং খূদিংদা চঙদুনা মরী লৈনবা খুঙ্গংশিংগী লীদরশিংগা খুৎশন্নদুনা ইবোলা ভাইরস পোজিটিভ ওইবগী কেস দিটেক্ট তৌবগী খোঙাং লৌখৎলগনি হায়না অফ্রিকা সি দি সিগী ইমর্জেন্সি প্রিপ্যারনেসকী হেদ চাব বাউমনা ফোঙদোরক্লি।

চৎলিবা চহী অসিগী মে থাদগী হৌদুনা মায়োক্লরকখিবা ইবোলা আউটব্রেক অসিগী খ্বায়দগী ইবোলা আউটব্রেককী কেস থেংনখিবা ইতুরি প্রোভিন্সতগী হৌদুনা অফ্রিকা সি দি সিগী মায়কৈদগী খুঙ্গং খূদিং দা চঙদুনা ইবোলা পোজিটিভকী কেস দিটেক্ট তৌবগী খোঙথাং অসি পায়খৎপা হৌনবগী অপাম্বা য়ব বায়ুংনা ফোঙদোরক্লি।

নাকল অমরোমদা, কোঙ্গোদা ইবোলা পেসেন্টকা শোক্ন-শন্নরুবা মীওইশিং খঙদোক্লবা হোৎনবদা মরী লৈনবা ওথোরিটিনা অৱাবা মায়োক্লদুনা লৈরি। অদুবু মরী লৈনবা ওথোরিটিনা ইবোলা ভাইরস পোজিটিভ ওইবগী কেস থিদোকপগী কেস অহিং নুংথিলবু লেপ্পা লৈতনা হোৎনবগী মনুং চন্না ইবোলা পেসেন্টকা শোক্ন শন্নরুবা মীওইশিং ইবোলা ত্রেসিং তৌবগী টেষ্ট চাদা ৮১ য়ৌনা পাঙথোকপা ঙমখ্রে। অদুবু ওফিসিয়েল ওইনা ইবোলা ভাইরস ত্রেসিং তৌবগী থবক অসিগা মরী লৈনবা ওথোরিটিদা খঙহনবা তৌদনা লৈরিবা ইবোলা পেসেন্টশিংগা শোক্ন-শন্নরিবশিংগা কদায় ফাওবা অহোবা লৈরমগনি হায়বা অদু নুংনাংনিঙাই অমনি হায়না অফ্রিকা সি দি সিগী ইমর্জেন্সি প্রিপ্যারনেস হেদ য়ব বায়ুমনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

হৌখিবা চয়োল অহুম অসিদা অফ্রিকা সি দি সিগী মতুং ইন্না ইবোলা পেসেন্টশিংগা শোক্ন-শন্নবা মীওই ৯৭,৬০০ হেন্না লৈখ্রে হায়না থাজবা থম্মী। হৌখিবা চয়োল ৩ অসিদা লৈবাক অসিদা ইবোলা ভাইরস পোজিটিভ ওইবা কেস ৬০ থেংনখ্রে। হায়রিবা ইবোলা পোজিটিভ ওইবা কেস ৬০ অসিদা য়ুম্ফম ওইরগা লৈবাক অসিদা মীওই ৯৭, ৬০০ শোক্ন শন্নরমগনি হায়না লৌবনি। হৌজিক ফাওবগী ওইনা লৈঙাক্কী ওফিসিয়েল ওইবা রেকোর্দতা মহাক য়াওদবা ইবোলা পোজিটিভ ওইবা কেস কয়া হৌখিবা চয়োল অসিদা লৈরমগনি হায়বা খঙবা ঙমদনা লৈরি হায়নসু অফ্রিকাগী সি দি সিগী মায়কৈদগী মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

## ইন্দিয়াদগী ক্লাইমেট কম্পেন্সেসনগী শেনফম লৌগনি হায়বা রিপোর্ট নেপাল লৈঙাক্লা য়াখিদ্রে

কথমান্দু, সেপ্টেম্বর ০৪ (এজেন্সি): হৌখিবা ওগষ্ট থাগী ২৬তা টিবেট অমদি নেপালগী ঙমখৈ পরিংদগী হৌরকখিবনি হায়বা অকনবা ঈশিং ঈচেলনা মরম ওইরগা নেপালদা থোকখিবা খঙহৌদবা ঈশিং ঈচাও অদুদা মশীং য়াল্লবা মীওই কয়াগী পূন্সি মাঙখিবা, মীওই কয়া অমনা থিবা খঙদনা লৈখিবা অমদি লুপা ক্রোর কয়াগী মাল-চাং মাঙহন তাকহনখিবা অদু মহৌশাগী খলদা কায়রকপদগী থোকখিবনি হায়রদুনা ইন্দিয়া, চাইনা অমদি য়ু এসতা কম্পেন্সেসনগী শেনফম পীনবা নেপাল লৈঙাক্লা দিমান্দ তৌখ্রে হায়বা রিপোর্ট অদু অরানবনি হায়না নেপালগী ফোরেন এফিয়ার্স মিনিষ্টর সিসির খনালনা ফোঙদোকখ্রে।



নেপালগী মিনিষ্টর ফোর ফোরেন এফিয়ার্স সিসির খনালনা হায়, নেপাল লৈঙাক অমদি মশাগী পার্সনেল ওইনা নেপালদা থোকখিবা খঙহৌদবা ঈশিং ঈচাও অসিগী মতাংদা ইন্দিয়া য়াওনা চাইনা অমদি য়ুনাইটেদ ষ্টেটস ওফ অমেরিকাগী মায়কৈদগী কম্পেন্সেসনগী শেনফম পীগদবনি হায়বা ৱাফম অমত্তা দিমান্দ তৌখিবা লৈখিদে।

নেপাল লৈঙাক্কী মায়কৈদগী ক্লাইমেট চেঞ্জনা মরম ওইরগা নেপালদা থোকখিবা খঙহৌদবা ঈশিং ঈচাও অসিদা য়ুম্ফম ওইরগা মালেমগী ওইনা ক্লাইমেট চেঞ্জনা পীরক্লিবা চৈথেং অসিবু মতৌ করন্না মায়োক্লগদগে হায়বা ৱাফম ফোঙদোকখিবা খক্তনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

ফোরেন এফিয়ার্স মিনিষ্টর সিসির খনালনা মখা তারদুনা ফোঙদোকখিবদা চাইনা, ইন্দিয়া অমদি নেপালগী লৈরিবা এনভাইরোনমেন্টেল ইকো সিষ্টেম অসি নেপালগা অমত্তনি। ক্লাইমেট চেঞ্জনা পীরক্লিবা চৈথেং অসি লৈবাক অসিনা চপ মান্ননা মায়োক্লরি। মরম অদুনা নেপাল য়াওনা হায়রিবা লৈবাকশিং অসিগা লোয়নদুনা ক্লাইমেট চেঞ্জ অসি করি করম্বা খোঙথাং পায়খত্তুনা ফগৎহনগদগে হায়বা ৱাফম ফোঙদোকখিবা খক্তনি। অসিদা নত্তনা মালেমগী ওইনা ক্লাইমেট চেঞ্জগী থেংনরিবা চৈথেং অসি মালেমদা লৈরিবা লৈবাক খূদিংমক্লা ফগৎহন্নবা হোৎনবা মথৌ তাই হায়না তকশিনবখক্তনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

পনবা য়াবদি, ওগষ্ট ২৬তা থোকখিবা খঙহৌদবা ঈশিং ঈচাও অদুনা মরম ওইরগা ফোরেন নেসনেল য়াওনা নেপালদা মীওই লীশিং ১ হেন্না লৈখিদ্রবনি। মীওই কয়া অমনা হৌজিক ফাওবা থিবা খঙদনা লৈরি। খঙহৌদবা ঈশিং ঈচাওনা মরম ওইরগা অৱাবা মায়োক্লরিবা নেপালদা খূদক্কী ওইবা তেঙবাং ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী পাঙবসু হৌখ্রবনি।

### ক্রোসৱার্দ ১১৩৫ গী পাউখুম

| | | | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| P | A | R | I | S | ■ | P | A | I | R | ■ | A | V | O | N |
| E | M | O | T | E | ■ | A | C | N | E | ■ | K | E | N | O |
| A | M | A | S | S | ■ | R | E | C | R | E | A | T | E | S |
| S | O | R | E | S | T | ■ | D | I | E | T | ■ | S | S | E |
| ■ | ■ | ■ | L | I | A | R | ■ | T | A | C | T | ■ | ■ | ■ |
| P | E | R | F | O | R | A | T | E | D | ■ | S | C | A | M |
| A | X | E | ■ | N | O | V | A | ■ | ■ | ■ | P | O | P | E |
| L | I | E | D | ■ | T | E | N | D | S | ■ | S | C | A | R |
| E | L | S | E | ■ | ■ | ■ | G | O | O | D | ■ | O | R | G |
| R | E | E | L | ■ | I | N | O | R | D | I | N | A | T | E |
| ■ | ■ | ■ | I | N | C | A | ■ | M | A | N | E | ■ | ■ | ■ |
| A | S | H | ■ | A | I | R | S | ■ | S | E | A | M | A | N |
| S | T | A | G | G | E | R | E | D | ■ | T | R | I | B | E |
| K | A | T | E | ■ | S | O | M | E | ■ | T | E | N | E | T |
| S | T | E | M | ■ | T | W | I | N | ■ | E | D | I | T | S |

## ‘ইরানগী লৈরিবা লৈঙাক ইন্থুদুনা খুদক্তা অনৌবা লৈঙাক অমা শেম্বা য়াবগী ওইথোকপা চাউনা লৈরে’

জেরুসালেম, সেপ্টেম্বর ০৪ (এজেন্সি): ইরানগী লৈরিবা ইস্লামিক রিপব্লিক্কী লৈঙাক অসি অথুবা মতমদা কায়রবা য়াবগী ওইথোকপা চাউনা লৈরে। য়ুনাইটেদ ষ্টেট ওফ অমেরিকানা ইরানগী মথক্তা অকনবা লান্দা চথখ্রবা মতুং ইরান হান্নগা য়েংনরুবদা অদুক্কী মতিক মপাঙ্গল শোন্থবা লৈবাক অমা ওইখ্রে হায়না ইজরেলগী প্রাইম মিনিষ্টর বেনজামিন নেতানয়াহুনা ফোঙদোকখ্রে।

ইজরেলদা পাঙথোকপা মিলিটরিগা মরী লৈনবা থৌরম অমদা শরুক য়ারদুনা ৱাফম অসি প্রাইম মিনিষ্টর বেঞ্জামিন নেতানয়াহুনা ফোঙদোকখিবনি।



থৌরম অদুদা বেঞ্জামিন নেতায়াহুনা হায়, হৌজিক লৈরিবা ইরানগী লৈঙাক অসি করম্বা মতমদা তুগনি হায়বা তম্বা ঙমদনা লৈরি। হিংননবগীদমক ইরান লৈঙাক্লা লান মায়োক্লবগী থবক চথরি।

অথুবা মতমদা খুদক্তা হৌজিক পাল্লিবা ইরানগী লৈঙাক অসি ইন্থুবা ঙমগনি হায়বগী থাজবা চাউনা লৈ। ইরানগী লৈঙাক ইন্থুবা হায়বা অসি ইজরেলগী লেঙদ্রবা ৱাশক অমনি। মতম কয়াদগী ইজরেলনা ইরানগী লৈরিবা লৈঙাক অসিবু ইন্থুবা হায়বগী থল্লিবা পান্দম অসি লাক্লগনি হায়না নেতানয়াহুনা ফোঙদোকখ্রে।

ইরানগী লৈরিবা লৈঙাক অসি য়ুমথংনবা লৈবাকশিংদা থ্রেট পীবা লৈঙাক অমনি হায়না মতম কয়াদগী লৌনদুনা লাক্লিবা অসিবু লুন্না লৌরদুনা দোনাল্ড ট্রম্পনা লুচিংবা য়ু এস লৈঙাক্লা হৌখিবা এপ্রিল থাগী ২৮দগী হৌদুনা ইরানগী মথক্তা অকনবা লান্দা চথখিবা অদুগী মতাংদা পল্লদুনা প্রাইম মিনিষ্টর নেতানয়াহুনা ফোঙদোকখিবদা য়ুনাইটেদ ষ্টেটস ওফ অমেরিকাগী মায়কৈদগী ইরানগী মায়োক্তা য়ু এসনা অকনবা লান্দা চথবগী মথক্তা ইকোনোমিগা মরী লৈনবা অহেনবা প্রেসর কয়া পীদুনা ইরানবু নমথনবা লেপ্পা লৈতনা হোৎনরি।

য়ু এসনা ফেব্রুৱারিগী অরোইবা চয়োলদগী হৌদুনা চথখিবা এটেক্ট অদুদা ইরানগী মায়কৈদগী খূৎ হন্দুনা ইজরেলদা এটেক্ট চথরমদ্রবসু অতোপ্পা রিজন অসিদা লৈরিবা লৈবাকশিংদা ইরাননা এটেক্ট চথরমগনি। ইরাননা ইজরেলদা চথরকখিবা এটেক্ট অদুনা মরম ওইরগা পাউখুম পীবা ওইনা ইজরেলগী মায়কৈদগী ইরানগী মথক্তা অকনবা লান্দা চথদুনা পাউখুম পীখিবা অদুনা ইজরেলগী লৈরিবা মপাঙ্গল অসি ইরান হৌজিক্তি শোয়দনা খঙলম্লগনি হায়নসু মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি।


## হৌথি অমদি য়েমেন লৈঙাক্কী মরক্তা থোক্লিবা খৎন-চৈনবগী থৌদোক্তা মীওই ৮১ লৈখিদ্রে

দুবাই, সেপ্টেম্বর ০৪ (এজেন্সি): হৌখিবা শগোলশেন নুমিত্তগী হৌদুনা য়েমেন হৌথি রেবেল অমদি লৈঙাক্কী মরক্তা থোক্লিবা খূৎ থোক্লবগী থৌদোক্তা চাউরাক্লা মীওই ৮১ লৈখিদ্রে হায়না তোঙান তোঙানবা মিলিটরি ওফিসিয়েলশিংনা ফোঙদোরক্লি।

তোঙান তোঙানবা মিলিটরিগী ওফিসিয়েলশিংগী মায়কৈদগী হৌখিবা শগোলশেন নুমিত্তগী হৌদুনা হৌথি রেবেল অমদি য়েমেন লৈঙাক্কী মরক্তা থোক্লিবা খূৎ থোক্লবগী থৌদোক অসিদা রেদ সি কোষ্টতা মীওই ২৪ লৈখিদ্রে। অদুগা ইনলেন্দ টাইয়স এরিয়াদা মীওই ১৫ হাৎখ্রে হায়না ফোঙদোরক্লি।

অসিদা নত্তনা রিজনশিং অসিদা অনা লায়েংগী থবক তৌরিবা তোঙান তোঙানবা মেদিকেল ওফিসিয়েলশিংগী মতুং ইন্না হৌথি মিলিটেন্ট ৪২ হাৎখ্রে হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

পনবা য়াবদি, হৌখিবা শগোলশেন নুমিত্তা সাউদি লৈঙাক্লা তোঙান তোঙানবা লমদা শৌগৎলি হায়বা হৌথি রেবেলশিংনা রোকেট অমদি দ্রোন শীজিন্নদুনা টাইয়স রিজন অমদি রেদ সিগী লৈরিবা কোষ্টেল এরিয়াশিংদা এটেক্ট চথরকখিবা অদুগী মতুং য়েমেন লৈঙাক অমদি হৌথি রেবেলশিংগী মরক্তা ঙসি ফাওবা লেপ্পা লৈতনা খূৎ থোক্লদুনা লাক্লি।





SL/KK/


## য়ু এস ৱারসিপতা এটেক্ট চথনবা ইরানগী মিসাইল শেম্বদা রুশিয়ানা মতেং পাংলিঃরিপোর্ট

ৱাশিংটন, সেপ্টেম্বর ০৪ (এজেন্সি): য়ু এসকী লৈরিবা ৱারসিপশিংদা অতন্ননা এটেক্ট চথনবগীদমক মথৌ তাবা মিসাইল শেমগৎ শাগৎপগী থবক্তা রুশিয়ানা ইরানদা মতেং পাংলি হায়না মালেমগী মমিং লৈরবা ন্যুজ এজেন্সি অমনা রিপোর্ট তৌরক্লি।

রিপোর্ট অসিগী মতুং ইন্না মিদল ইষ্টতা লৈরিবা য়ু এস এয়রক্রাফ্ট য়াওবা ৱারসিপ কয়াদা এটেক্ট চথনবগীদমক ইরানগী সুপরসোনিক ক্রুজ মিসাইল শেমগৎ শাগৎনবগীদমক লোন্না থুপ্পা রুশিয়াগী মায়কৈদগী মতেং পাংলি হায়না ফোঙদোরক্লি।

হৌখিবা চহী ২০২৩দগী হৌদুনা মীয়াম খঙহন্দনা সি ৪৩০এল হায়না সেক্রেট কোদনেম অমগী মখাদা রুশিয়াগী মায়কৈদগী ইরানগী মিসাইল শেমগৎ শাগৎপগী থবক্তা মতেং পাংবগী থবক চথদুনা লাক্লি হায়না ফোঙদোরক্লি।

মতম কয়াগী মমাঙদগী ইরানগী মায়কৈদগী মপাঙ্গল কনবা ৱারসিপ কয়া মায় পাক্লা এটেক্ট চথদুনা মাঙহন তাকহনবা ঙম্বা রামজেট প্রোপলসন সিষ্টেম শেমগৎ শাগৎপগী থৌরাং তৌদুনা লাক্লি। ইরানগী মায়কৈদগী মতম কয়াগী মমাঙদগী রামজেট প্রোপলসন সিষ্টেম শেমগৎ শাগৎনবগী থৌরাং তৌদুনা লাক্লিবা অসিদা রুশিয়াগী মায়কৈদগী লোন্না থুপ্পা মতেং পাংবগী থবক চথবনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

নাকল অমরোমদা মতম কয়াগী মমাঙদগী মোস্কো অমদি তেহ্‌রানগী মরক্তা মিলিটরিগী ওইবা পার্টনরসিপকী মরী অসি অমুক্কা হেন্না মপাঙ্গল কনখৎনবা হোৎনদুনা লাক্লি। ইরানগী মায়কৈদগী রামজেট প্রোপলসন সিষ্টেম শেমগৎ শাগৎনবা থৌরাং তৌদুনা লাকখিবা অসিগী খূদোংচাবা লৌদুনা মোস্কোনা য়ু এসকী লৈরিবা ৱারসিপশিং অসিবু মাঙহন তাকহনবা ঙম্বা মিসাইল কয়া শেমগৎ শাগৎপগী থবক্তা ইরানদা মতেং পাংবগী খোঙথাং অসি লৌখৎপনি হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

তোঙান তোঙানবা ন্যুজ এজেন্সিশিংগী রিপোর্টকী মতুং ইন্না রামজেট প্রোপলসন সিষ্টেম শেমগৎ শাগৎপগী থবক অসি রুশিয়া লৈঙাক্কী অখন্নবা অয়াবা লৌবগী মথৌ তাবনা মরম ওইরগা ইরানদা মিসাইল শাবগী খোঙথাং অসি থিন্থদুনা লৈরকখিবনি হায়নসু রিপোর্ট তৌরক্লি।




SL/Mocha/



SL/KK/

*ডা. বি সি রোই ট্রোফি ২০২৬-২৭:*

# মণিপুর গ্রুপ-এগী পোইন্ট টেবলদা মকোক থোংবা মফম কল্লগা সেমি ফাইনেল চঙখ্রে



ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৪ (এজেন্সি)ঃ
ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসনগী মীৎয়েং মখাদা চথুরিবা জুনিয়র বোইজ নেসনেল ফুটবোল চেম্পিয়ন্সিপ ফোর ডা বিসি রোই ট্রোফি ২০২৬-২৭ টয়র-১ গ্রুপ ষ্টেজ)কী ঙসি বেঙ্গলুরু ফুটবোল ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা মণিপুরগী অরোয়বা মেটচতা তেলঙ্গানা ১-১দা দ্রো তাখ্রবসু গ্রুপ-এদা মকোক থোংবা মফম কন্দুনা সেমি ফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে।

টয়র-১ গ্রুপ ষ্টেজ অসিদা মণিপুরনা মেটচ ৩ শান্নবদা অনী মায় পাক্লগা অমনা দ্রো তারগা পুন্না পোইন্ট ৭ ফংদুনা মকোক থোংবা মফম কনবা ঙমখিবনি।

ঙসি শান্নখিবা মণিপুরগী অরোয়বা মেটচ অসিদা হেন্না লাকশিন্না শান্নরকপগী মহৈ ওইনা মেটচকী ৩৫শুবা মিনিটতা জর্সি নম্বর ৭ হৈক্রুজম জোগেসনা গোল ওন্থোক্তুনা অহানবা হাল্ফ লোয়বা ফাওবা ১-০দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপা টিম অনীমক্না মখোয়গী লৈজবা থৌনাশিং পূথোক্তুনা গোল ওন্থোক্নবগী অঙম তানরকখ্রবসু লাইবক লৈতবদগী অরেম্বা তাখ্রবা মতুং গোল শোথরিবা তেলঙ্গানানা মেটচকী ৫০ শুবা মিনিটতা জর্সি নম্বর ৮ ফাইসাল খান মুষ্টাখাননা ইক্বেলাইজিং গোল চন্দুনা ১-১দা লৈহনখ্রবসু মেটচকী লেমহৌরিবা মিনিটশিংদা টিম অনীমক্না লম্বা মান্না শান্নরকখিবনা গোল ওন্থোকপা য়াবগী তঞ্জা ফংনরবসু গোল ওন্থোকপা ঙমদনা লৈনদুনা মেটচ অসি ১-১দা দ্রো তাদুনা পোইন্ট য়েন্নদুনা লোয়শিনখি।

*অন্দর-১৩ আস্মিতা সিটি ফুটবোল লীগ:*

# ক্রিপ্সা অমসুং ই এস য়ুনা ফাইনেল শান্নরগনি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৪ (এজেন্সি)ঃ
ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসনগী মীৎয়েং মখাদা ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসন (অম্ফা)না শীন্দুনা লম্লোং থোংখোঙদা লৈবা আর্টিফিসিয়েল টর্ফ গ্রাউন্দদা চথুরিবা অন্দর-১৩ গার্লস আস্মিতা সিটি ফুটবোল লীগ ২০২৬-২৭গী ফাইনেলদা ক্রিপ্সা নাওরেমথোং অমসুং ই এস য়ুনা শান্নরগনি।

লীগ অসিগী ঙসি শান্নখিবা অহানবা সেমি ফাইনেলদা ই এস য়ুনা ৰাই দব্লিউ সি থম্বালখোংবু গোল ৩-১দা মায়থিবা পীদুনা ফাইনেলগী মফম কনবা ঙমখি।

শান্নখিবা মেটচ অসি ই এস য়ুগী শান্নরোইশিংনা ৰাই দব্লিউ সি থম্বালখোংবু লাকশিন্না শান্নখিবনা অঙনবা মতমদগী হৌনা এটেক তৌদুনা শান্নরকখিবগী মহয় ওইনা মেটচকী ১৭শুবা মিনিটতা ই এস য়ুগী জর্সি নম্বর ৬ কেঐচ চাউবনা গোল একাউন্ট হাংদুনা মাঙজিল থাহনখি।

গোল শোথরিবা ৰাই দব্লিউ সি থম্বালখোংগী শান্নরোইশিংনা ইক্বেলাইজিং গোল চনবা য়াবগী খুদোংচাবা ফংলবসু ই এস য়ুগী দিফেন্দরশিংনা অরেম্বা তাহন্দুনা নীংবা কায়হনখি। অমরোমদা গোল মাঙজিল থারিবা ই এস য়ুগী শান্নরোইশিংনা মেটচকী লোয়রমদাই মিনিটতা খুদোংচাবা অমা ফংবদগী গোল একাউন্ট হাংখিবা কেঐচ চাউবনা মহাক্কী অমদি টিমগী অনীশুবা ওইনা মেটচকী ২৫শুবা মিনিটতা চন্দুনা অহানবা হাল্ফ লোয়বা ফাওবা ২-০দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি।

অনীশুবা হাল্ফ হৌরকপগী অঙনবা মিনিট ২৬ চৎপদা ই এস য়ুগী জর্সি নম্বর ৯ লৈশি লাইশ্রমনা টিমগী অহুমশুবা গোল চন্দুনা ৰাই দব্লিউ সিবু ৩-০দা মাঙজিল থাহনবতা নত্তনা মায় পাক্লবগী য়ূম্ফম থোনবা ঙমখি।

ৰাই দব্লিউ সি থম্বালখোংগী শান্নরোইশিংনা মখোয়গী শোথরিবা গোলশিং অদু হন্দোক্লবা হোৎনরক্তুনা শান্নরকখিবগী মহয় ওইনা মেটচকী লোয়রমদাই মিনিট ৫০ প্লস ৩ শুবদা জর্সি নম্বর ৭ টিঐচ মাইপাকপীনা গোল অমা চল্লবসু মতম থেংমনবদগী ই এস য়ুগী মখুৎতা গোল ৩-১দা মায়থিদুনা ফাইনেলগী অশা কায়খি।

শান্নখিবা মেটচ অসি সিঐচ বিমোলবালানা রেফরি, সিঐচ নিরমালানা এসিষ্টেন্ট রেফরি ৰান, এন সনানা এসিষ্টেন্ট রেফরি তু, টিঐচ মেরিনানা ফোর্থ ওফিসিয়েল ওইনা কন্দক তৌখি।

অনীশুবা সেমি ফাইনেল ওইনা শান্নখিবদনা ক্রিপ্সা নাওরেমথোংনা ৰাই দব্লিউ সি লংথবালবু গোল ২-১দা মায়থিবা পীখিদুনা ফাইনেলগী মফম কনবা ঙমখি।

মেটচ অসিদা টিম অনীমক্না অহানবা হাল্ফ ফাওবা লম্বা মান্না শন্নখিবনা গোল ওন্থোক্লবা ঙম্নদনা লৈনখি। অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপদা টিম অনীমক্না মায় পাক্তবা য়াদে হায়বগী অশাদা মপাঙ্গল ফুদোক্তুনা শান্নরকখ্রবসু লম্বা মান্না শান্নরকখিবনা অপিবা মতম লোয়বা ফাওবা গোল চন্নবা ঙম্নদবদগী পেনাল্টি সুটআউটনা ফাইনেল চঙনবগী লাইবক লেপ্পা তাখি।

পেনাল্টি অদুদা ক্রিপ্সানা ৰাই দব্লিউ সি লংথবালবু গোল ২-১দা মায়থিবা পীখি। ক্রিপ্সানা পেনাল্টিদা চনখিবা গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ১০ লমঙানবী অমসুং জর্সি নম্বর ৭ টিঐচ সৈরলিনা গোল ওন্থোকপা ঙমখ্রবসু ৰাই দব্লিউ সি লংথবালগী জর্সি নম্বর ৪ এ লিন্থোই খক্তমক গোল ওন্থোকপা ঙমবদগী ক্রিপ্সাগী মখুৎতা ২-১দা মায়থিদুনা লৈহৌখি।

শান্নখিবা মেটচ অসিদা ৰাই দব্লিউ সি লংথবালগী জর্সি নম্বর ১১ বেবীলিন্থোই রেফরিনা য়েলো কার্দ বুক তৌখি। মেটচ অসিদা এস উমানা রেফরি, টিঐচ মেরিনানা এসিষ্টেন্ট রেফরি ৰান, সিঐচ নিরমালানা এসিষ্টেন্ট রেফরি তু, সিঐচ বিমোলবালানা ফোর্থ ওফিসিয়েল অমদি ঐচ অমর্জিৎনা মেটচ কম্মিস্নর ওইনা কন্দক তৌখি।

## অম্ফানা শান্নরোই ৫ /৫ থারক্লবা খঙহল্লক্লি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৪ (এজেন্সি)ঃ
সব-জুনিয়র বোইজ নেসনেল ফুটবোল চেম্পিয়ন্সিপ ২০২৬- ২৭দা মণিপুর রিপ্রজেন্ট তৌদুনা শরুক য়ানবা ষ্টেট সব-জুনিয়র বোইজ ফুটবোল টিম শেমগৎনবগীদমক ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসন (অমফা) গী মখাদা এফিলিয়েট তৌদুনা লৈবা তোঙান তোঙানবা একাদেমিশিংনা প্লেয়র ১০ / ১০ গী মিং পীখৎলক্লবা খঙহনখ্রবা মতুং অমুক শান্নরোই ৫ / ৫ থারক্লা অমফাগী এসিষ্টেন্ট জেনরেল সেক্রেটরী এল নব সিংহনা খূৎয়েক পীদুনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

চেরোল অদুগী মতুং ইন্না একাদেমিশিংনা পীশিল্লকপা শান্নরোই ১০শিং অদু পি দব্লিউ থ্রি টেষ্ট-১৩.৯ মায় পাক্কদবনি, ২০১৩গী জানুৰারী ১দগী ২০১৪গী দিসেম্বর ৩১ ফাওবগী মনুঙ্দা পোকপা শান্নরোইশিং ওইগদবনি। হায়রিবা শান্নরোইশিং অদু হৌজিক হৌজিক চৎনরিবা সি আর এস আই দি পায়গদবনি। শান্নরোইশিংনা এন এস আর এস পোর্টেলগী খূখাংদা এন এস আর এস আই দিগী স্ক্রিন সোটকা লোয়ননা সবমিত তৌগদবনি হায়রি।

# মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ইন্টর কোলেজ স্পোর্টস কম্পিটিসনশিং পাঙথোক্লগনি



ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৪ (এজেন্সি)ঃ
ইন্টর য়ুনিভর্সিটি টুর্নামেন্টশিংগী কেলেন্দরগী মতুং ইন্না মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ইন্টর কোলেজ স্পোর্টস কম্পিটিসনশিং পাঙথোকপগা লোয়ননা এসোসিয়েসন ওফ ইন্দিয়ন য়ুনিভর্সিটিসনা শীন্দুনা পাঙথোক্কদবা ইন্টর য়ুনিভর্সিটি টুর্নামেন্টশিংদা শরুক য়ানবগী এম য়ু টিম শেম্নবগী ত্রাইয়েল সেলেক্সনসু পাঙথোক্লগনি।

মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ইন্টর কোলেজকী পাঙথোক্কদবা টুর্নামেন্টশিং অদুদি থা অসিগী ১৭ অমসুং ১৮দা কবাদ্দি (নুপা অমসুং নুপী), থা অসিগী ২৪ অমসুং ২৫দা টেবল টেন্নিস (নুপা অমসুং নুপী), থা অসিগী ২৮দগী ৩০ ফাওবনা ভোল্লিবোল (নুপা অমসুং নুপী), ওক্টোবর ১ অমসুং ৩দা নুপা অমসুং নুপীগী হেন্দবোল, ওক্টোবর ৫ অমদি ৬তা নুপা অমসুং নুপীগী জুদো, ওক্টোবর ৮ অমসুং ৯দা নুপা অমসুং নুপীগী থাঙ-তা, ওক্টোবর ১৩ অমদি ১৪দা নুপা অমসুং নুপীগী বেদমিন্টন, ওক্টোবর ২৮ অমদি ২৯দা নুপা অমসুং নুপীগী আর্চরি, ওক্টোবর ৩০ অমদি ৩১দা নুপা অমসুং নুপীগী বাস্কেটবোল, নবেম্বর ২ অমদি ৩দা নুপীগী ফুটবোল, নবেম্বর ১০দা নুপাগী ফুটবোল, নবেম্বর ২৫দা নুপাগী বেষ্ট ফিজিক, নবেম্বর ২৬ অমদি ২৭তা নুপা অমসুং নুপীগী সোফবোল, দিসেম্বর ১ অমদি ২দা নুপা অমসুং নুপীগী পৱারলিফটিং অমদি ৱেটলিফটিং, দিসেম্বর ৩ অমদি ৪দা নুপা অমসুং নুপীগী চেছ, দিসেম্বর ৭তা নুপা অমসুং নুপীগী সুটিং, দিসেম্বর ৮-দগী ৯ ফাওবনা নুপা অমসুং নুপীগী রেষ্টলিং,মথং চহীগী জনুৰারী ৫দগী ৬ ফাওবা নুপা অমসুং নুপীগী যোগ, মথং চহীগী জনুৰারী ৮তা নুপাগী মুক্না পাঙথোক্লগনি।

এম য়ু টিম শেম্নবগী পাঙথোক্কদবা ত্রাইয়েল সেলেক্সনশিং অদুনা থা অসিগী ২৯দা নুপাগী টেন্নিস, মথং থা ওক্টোবর ১দা নুপা অমসুং নুপীগী হোক্কী, ওক্টোবর ৫দা নুপা অমসুং নুপীগী বোক্সিং, ওক্টোবর ৭তা নুপা অমসুং নুপীগী সাইক্লিং, ওক্টোবর ১৫দা নুপা অমসুং নুপীগী ফেন্সিং, ওক্টোবর ২১দা নুপা অমসুং নুপীগী টাইক্বান্দো, নবেম্বর ৬তা নুপা অমসুং নুপীগী এঠলেটিক্স, নম্বেবর ১৬তা নুপা অমসুং নুপীগী বোল বেদমিন্টন, নম্বের ১৯দগী ২০ ফাওবনা নুপা অমসুং নুপীগী ৱুশু, নবেম্বর ২৩দনা নুপা অমসুং নুপীগী সেপাক তাক্রোগী ত্রাইয়েলশিং পাঙথোক্কদৌরি।

মহৈরোইশিংনা শুংশোয় শোয়দনা এ আই য়ু স্পোর্টস পোর্টেলদা রেজিষ্টর তৌগদবনি লোয়ননা এম য়ু ইন্টর কোলেজ স্পোর্টস টুর্নামেন্টশিং অমদি ত্রাইয়েল সেলেক্সনদা এ আই য়ু স্পোর্টস আই দি উৎক্কদবনি হায়না এম য়ু স্পোর্টসকী এসিষ্টেন্ট ডাইরেক্টর ডা. সিঐচ প্রদিপনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

# মণিপুর বোল বেদমিন্টন সেনিয়র (নুপা অমসুং নুপী)গী টিম শেমখ্রে



ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ০৪ (এস এন এস)ঃ
অন্ধ্র প্রদেশকী তিরুপতিদা থা অসিগী ২৪দগী ২৮ ফাওবা পাঙথোক্কদবা ৭২শুবা নেসনেল বোল বেদমিন্টন চেম্পিয়ন্সিপ ২০২৬তা শরুক য়ানবা মণিপুরগী নুপা অমসুং নুপীগী টিম মণিপুর বোল বেদমিন্টন এসোসিয়েসন মণিপুরনা শেমখিবগা লোয়ননা মণিপুরগী টিম অসি থা অসিগী ২১দা ইম্ফাল থাদোক্লগনি।

বোল বেদমিন্টন এসোসিয়েসন মণিপুরনা খনখ্রবা নুপাগী টিমদা য়াওরিবশিং অদুদি ৰাই সি এমদগী রমানন্দ থোকচোম, সি ৰাই সি এলদগী বেঞ্জোন য়ুম্নাম, দি এম য়ুদগী রোনাল্ড খুমন্থেম, য়ু ৰাই সিদগী নেলসন লাইশ্রম, মোদেল ক্লবতগী বিশান্তা থোকচোম অমসুহ ভিশাল লৈশাংথেম, দি এম সি (কর্ম্মস)তগী রাজকুমার দাইমন্দ কান্তা অমসুং তাখেল্লম্বম শিভাদুত্তা, এস ৰাই দি এদগী জেকরাজ মোইরাংথেম, এন এম সি খুরাই কোংপালদগী মেনার্দ ওইনামনি।

নুপীগী টিমদা য়াওরিবশিং অদুনা এন এম সিদগী জেমি ওইনাম, য়ু পি সিদগী ইনৌলৈমা সনাশম, টি জি হায়র সেকেন্দরী স্কুলদগী রাফলিসিয়া ৰাইরোকপম, অসেম য়াইফবী চনু, এলেক্সিয়া অঙোমজাম্বম, হুইদ্রোম লনচেনবী অমসুং নিংথৌজম তম্ফা, ঐখোয়গী ক্লবতগী জেনিভা খোন্দ্রাম অমসুং খোন্দ্রাম লনচেনবী, ৰাই জি ক্লবতগী মঙানলৈমা কোন্সমনি।

নুপাগী ওফিসিয়েল ওইনা কোনসম রোমেস মৈতৈনা মেনেজর অমসুং এম লোগিকুমারনা কোচ অদুগা নুপীগী ওইনা হৈস্নাম দেভিকারানিনা মেনেজর অমসুং খোমদ্রাম অরোরানা কোচ ওইনা শরুক য়াগনি হায়না এসোসিয়েসন সিগী জেনরেল সেক্রেটরী ডা. এল কুমারনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

# মণিপুরগী সব-জুনিয়র (নুপা অমসুং নুপী) সেপাক তাক্রো টিম ইম্ফাল থাদোকখ্রে



ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৪ (এজেন্সি)ঃ
জাম্মু এন্দ কাশ্মিরগী শ্রীনগরদা লৈবা শের কাশ্মির ইন্দোর স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা থা অসিগী ৬তগী ১০ ফাওবা পাঙথোক্কদবা ২৯শুবা সব-জুনিয়র নেসনেল সেপাক তাক্রো চেম্পিয়ন্সিপ্তা শরুক য়ানবা মণিপুরগী সব-জুনিয়র নেসনেল সেপাক তাক্রো টিম ঙসি ইম্ফাল থাদোকখ্রে।

ষ্টেটকী সব-জুনিয়র সেপাক তাক্রো টিম অসি নুপামচা ১৫ অমসুং নুপীমচা ১৫না শারি।

নুপামচা সেপাক তাক্রো টিমদা য়াওরিবশিং অদুদি টিঐচ রাশমণি, কেঐচ ইলেশ, দব্লিউ দয়ানন্দা, এনজি তোমথিন, ঐচ বোরিশ, এন অকাস, ই প্রেমসন, এনজি সাকহেনসনা, এস প্রিতমজিৎ, এন পৃথিবীরাজ, ই রোমেস, এ লিংজেন, কেঐচ অবিনাশ, এস সাম্পলেন অমসুং কেঐচ লনথোইবানি।

নুপীমচা শান্নরোইশিং অদুদি কেঐচ পুজা, এস এল্লি, কেঐচ সিলভিয়া, ই ষ্টেল্লা, তানিয়া একে, ও ইনুংঙানবী, সিঐচ রোসিয়া, ই লিংজেলথোইবী, এন নেয়াবালা, এন সপানা, কেঐচ জসিকা, ই দাইনেলা, ফেন্সিয়া এন, ঐচ লিলিচা অমসুং সিন্থোই ৰাইনি।

টিম অসি ঐচ কিরনকুমার, এনজি রাকেশ্বর, টিঐচ মেমি অমদি কেঐচ নিকেননা কোচ অদুগা এল রঞ্জিৎ অমসুং এম তম্ফামণিনা মেনেজর ওইনা শরুক য়ারি।

মণিপুরগী সব-জুনিয়র সেপাক তাক্রো টিম অসি ওল মণিপুর সেপাক তাক্রো এসোসিয়েসন (এ এম এস টি এ)গী জেনরেল সেক্রেটরী সিঐচ গেস্কান্তনা জাম্মু এন্দ কাশ্মিরগীদমক লমথাখি।

# ২৩২শুবা বট্টালিয়ন সি আর পি এফনা শীন্দুনা কবাদ্দি পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ০৪ (এস এন এস)ঃ
মিনিষ্ট্রি ওফ য়ুঠ এফিয়স এন্দ স্পোর্টসকী মীৎয়েং মখাদা ২৩২শুবা বট্টালিয়ন সি আর পি এফনা শীন্দুনা স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়া নোর্ঠ ইষ্ট রিজনেল সেন্তর তাকয়েলদা খেলো ইন্দিয়া স্পোর্টস ফোর পিছ এন্দ দিলভপমেন্টকী মনুং চন্না থা অসিগী ৭ অমসুং ৮দা নুপীশিংতগী ওইবা কবাদ্দি টুর্নামেন্ট পাঙথোক্লগনি হায়না ২৩২শুবা বট্টালিয়নকী কম্মান্দিং ওফিসারনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

প্লে ফোর ফিটনেস, প্লে ফোর পিছ অমসুং প্লে ফোর বেট্টর সোসাইটি হায়বা পাউজেল পুদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা নুপীশিংতগী ওইবা কবাদ্দি টুর্নামেন্ট অসি মকোক মথং তারবশিংদা শেলগী মনা লুপা লিশিং ১০, লিশিং ৬ অমসুং লিশিং ৪গী মনা থল্লি। কবাদ্দি অসিগী অকূপ্পা মরোল ৮৭৫৩৮৩৩১ নত্রগা ৯৭৬০৫৯৪৫৬১ দগী খঙ্গলবা য়াগনি হায়না চেরোল অসিনা মখা তারি।

নাকল অমরোমদা ৭১শুবা বট্টালিয়ন সি আর পি এফনা শীন্দুনা কাক্তাদা হয়েং কিলোমিটর ১০ শাংবা মিনি মরাথোন পাঙথোক্লগনি হায়রি।

খেলো ইন্দিয়া স্পোর্টস ফোর পিছ এন্দ দিলভপমেন্টকী মনুং চন্না ৭১শুবা বট্টালিয়ন সি আর পি এফনা শীন্দুনা ফিটনেস, স্পোর্টসমেনসিপগী পান্দমদা পাঙথোক্কদৌরিবা মিনি মরাথোন অসিগী অহানবা পোজিসনদা শেলগী মনা লুপা লিশিং ১০গা লোয়ননা মেদল অমদি সার্টিফিকেট, অনীশুবা পোজিসনদা শেলগী মনা লুপা লিশিং ৬কা লোয়ননা মেদল অমদি সার্টিফিকেট অমসুং অহুমশুবা পোজিসনদা পোজিসনদা শেলগী মনা লুপা লিশিং ৪গা লোয়ননা মেদল অমদি সার্টিফিকেট পীগদৌরি।

মিনি মরাথোন অসি চাউরানা এঠলেট ৩০০না শরুক য়াগনি অমদি হান্না রেজিষ্টার তৌবা এঠলেট ১০০দা টি-শর্ট, মেদল অমদি সার্টিফিকেট লৈরিবা মরাথোন অসি ক্বাক্তা গ্রাউন্দদগী লমথারগা পি জি সি আই বজারদগী হৈয়াকোন লাক্লবা মতুং সাইতোন ফাওরগা চেরাংপাৎতা লাক্লবা মতুং সাঙাই ইথনিক পার্ক রোদতা লাক্লবা মতুং কাবষ্ট্রীন রোদতা অমুক লাক্লগা ক্বাক্তা বজারদা লমথুংফম ওইগনি হায়রি।

## ইন্দিয়াগী য়ু-১৭কী হেদ কোচ মেহারজুদ্দিন ৱাদুনা ওইরগনি

ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ০৪ (এজেন্সি)ঃ
ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসননা মেহারজুদ্দিন ৱাদুবু লৈবাক অসিগী অন্দর-১৭ নুপামচা ফুটবোল টিমগী হেদ কোচ ওইনা এপোইন্ট তৌখ্রে।

মশাগী চহী ৪২ শুরবা ৱাদুনা থৌ পুবা হৌখ্রবগা লোয়ননা ইন্দিয়াগী নুপামচাশিংনা হৌখিবা য়ূমশকৈশা নুমিৎতগী গোৱাগী মার্গাওদা কেম্প তৌবা হৌখ্রে। কেম্প অসি এ এফ সি অন্দর-১৭ এসিয়ন কপ উজবেকিস্তান ২০২৭ ক্বালিফাইয়র্সকী শেম শাদুনা লৈরিবনি। ইন্দিয়াগী নুপামচাশিংনা চহী অসিগী নবেম্বর ১১দগী ২০ ফাওবা মালেসিয়াগী ক্বালা লাম্পুরদা পাঙথোক্কদবা এ এফ সি অন্দর-১৭ এসিয়ন কপ উজবেকিস্তান ২০২৭ ক্বালিফাইয়র্সকী গ্রুপ-ইদা তাখিবগা লোয়ননা মখোয়না য়ূম্থু মালেসিয়া, পেলেষ্টিন, সিঙ্গাপোর অমদি গ্বামগা গ্রুপ ষ্টেজদা পুন্না লম্বা তৌনগনি।

মেহারজুদ্দিন ৱাদুনা মোহমেদান স্পোর্টিং ক্লবকী হেদ কোচ ওইনা থৌ পুরমখিবদা নত্তনা মমাঙদসু রিয়েল কাশ্মির এফ সি অমদি সুদেবা দিল্লি এফ সিগী হেদ কোচসু থৌ পুরমখি।

প্লেয়র অমা ওইনা ৱাদুনা ইন্দিয়ন নেসনেল টিমগী মহুৎ শিন্দুনা ২০০৮দা এ এফ সি চেল্লেঞ্জ কপকী টাইটল লৌখিবা অদুগী স্কৱাদতা য়াওখি অমদি ২০১১গী এ এফ সি এসিয়ন কপ্তসু লৈবাক অসিগী মহুৎ শিন্দুনা শরুক য়াখি। মেহারজুদ্দিন ৱাদুনা ২০০৫দা এস এ এফ এফ চেম্পিয়ন্সিপ, ২০০৭ অমদি ২০০৯দা নেহরু কপকী টাইটল লৌখিবদা শরুক য়াখি।

# ফোরৱার্দ ইব্রাহিম মবায়ে এষ্টোন ভিল্লাগা খূৎয়েক পীনখ্রে

ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ০৪ (এজেন্সি)ঃ
মশাগী চহী ১৮খক ঙায়রিবা সিনেগলগী ফোরৱার্দ ইব্রাহিম মবায়ে পেরিস সেন্ত জর্মেনদগী ইংলিশ প্রেমিয়র লীগকী এষ্টোন ভিল্লাগা পাউন্দ মিল্লিয়ন ৫৫দা খূৎয়েক পীনরে হায়না ক্লব অনী অসিনা হৌখিবা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে।

মশাগী চহী ১০খক ঙায়রিঙৈদো পেরিস সেন্ত জর্মেনগী একাদেমিদা য়াওখিবগা লোয়ননা সিজন ৮গী মতুং ফ্রেন্স ক্লব অদু থাদোকখি। মবায়েনা মশাগী চহী ১৬কা থা ৬ অমদি নুমিৎ ২৩ শুবা মতম কুমজা ২০২৩দা লে হাভ্রেগা শান্নদুনা লীগ ৱানগী ষ্টার্টিং লাইন অপ্তা য়াওদুনা পেরিস সেন্ত জর্মেনগী খ্বায়দগী চহী নৌবা প্লেয়র ওইবা ঙমখি। মবায়িনা ২০২৪দা মহাক্কী লীগ ৱান দিব্যু থোকখিবগা লোয়ননা য়ু ই এফ এ চেম্পিয়ন্স লীগ অনী অমদি লীগ ৱানগী টাইটল অনী য়াওনা পুন্না ট্রোফি ৮ লৌখি।

ইব্রাহিমনা য়ুঠ থাক্তা ফ্রান্স লৈবাক্কী মহুৎ শীন্দুনা শান্নখ্রবা মতুং কুমজা ২০২৫দা সিনেগালগী ওইনা শান্নবা ৱারেপ লৌখি। মবায়েনা সিনেগালগী মহুৎ শিন্দুনা পুন্না মেটচ ১৫ শান্নখিবদা গোল ৪ চনবা ঙমখ্রে। মহাক্না হন্দক য়ুনাইটেদ ষ্টেটস, কানাদা অমদি মেক্সিকোনা পুন্না য়ূম্থু ওইদুনা পাঙথোকখিবা ২৩ শুবা ফিফা মেন্স ৱার্ল্ড কপ্তসু ফ্রান্সকী মায়োক্তা গোল চনখি।

নাকল অমরোমদনা, এঠলেটিকো মেদ্রিদসু কনাদাগী ষ্ট্রাইকর জোনাথন দেভিদপু সিজন অসিগী ওইনা জুভেন্তসতগী লোনদা লৌরে হায়না ক্লব অনীমক্তা হৌখিবা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা লাউথোকখ্রে। মশাগী চহী ২৬ শুরবা জোনাথন দেভিদনা লিল্লিগী মেটচ ২৩২দা গোল ১০৯ চন্দুনা লীগ ৱান অমদি ফ্রেন্স সুপর কপকী টাইটল লৌখ্রবা মতুং কুমজা ২০২৫দা জুভেন্তসতা য়াওখিবনি। জোনাথন দেভিদনা কনাদাগী মকোক থোংবা গোল স্কোরর (৪২) ওইরিবগা লোয়ননা চহী অসিগী ফিফা মেন্স ৱার্ল্ড কপ ২০২৬তসু গোল অহুম চনখি। মহাক্না মমাঙ সিজনদা জুভেন্তসকী মহুৎ শিন্দুনা দোমেষ্টিক অমদি য়ুরোপিয়ন কম্পিটিসনগী পুন্না মেটচ ৪৬ শান্নখিবদা গোল নিপান চনখি।

# ইঞ্জো ফর্নান্দেজ মেঞ্চেষ্টর সিটিনা পাউন্দ মিল্লিয়ন ১২৫দা লৈখ্রে



ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ০৪ (এজেন্সি)ঃ
মেঞ্চেষ্টর সিটিনা ষ্টার মিদফিল্ডর ইঞ্জো ফর্নান্দেজবু চেলসিদগী পাউন্দ মিল্লিয়ন ১২০দা লৈখিবগা লোয়ননা মেঞ্চেষ্টর সিটিনা হন্দক্কী ট্রান্সফর ৱিকেদাদা মখোয়গী চাদিং পাউন্দ মিল্লিয়ন ৪০০ য়ৌবা ঙমখ্রে।

মেঞ্চেষ্টর সিটিনা হৌখিবা জুলাই থাদা ইংলেন্দগী মিদফিল্ডর ইল্লিওট এন্দর্সনবু পাউন্দ মিল্লিয়ন ১১৬তা লৈখিবদগী মখোয়গী চাদিং খ্বায়দগী য়াম্না তৌবা ট্রান্সফর ওইদুনা অনৌবা রেকোর্দ শেমখ্রে। অর্জেন্তিনাগী ফিফা মেন'স ৱার্ল্ড কপ ৱিন্নর ইঞ্জো ফর্নান্দেজনা কুমজা ২০২৩গী জানুৰারি থাদা মতম অদুগী বৃটিশ রেকোর্দ ফী ওইনা পাউন্দ মিল্লিয়ন ১০৬.৮দা বেনফিকাদগী চেলসিদা চহী নিপান মখায়গী কন্ট্রেক্টতা লৌখি। মশাগী চহী ২৫ শুরবা ইঞ্জো ফর্নান্দেজনা মহাক্কী কেরিয়রদা অনীরক পাউন্দ মিল্লিয়ন ১০০ য়ৌবা অহানবা প্লেয়র ওইখিবদা নত্তনা হৌখিবা জানুৰারি থাদা চেলসি থাদোকখিবা মেঞ্চেষ্টর সিটিগী হেদ কোচ ইঞ্জো মারেস্কাগা অমুক পুনবগী খুদোংচাবসু ফংখ্রে।

মেঞ্চেষ্টর সিটিনা মমাঙ সিজনগী ইংলিশ প্রিমিয়র লিগতা আর্সনেলদগী পোইন্ট ৭ শোথরগা অনীশুবা তাখি। হন্দক মখোয়গী মিদফিল্ডগী মপাঙ্গল হেন্না কনখৎহন্নবগী অচেৎপা পান্দমদা ইঞ্জো ফর্নান্দেজবু মমল য়াম্না লৈখিবনি হায়না থাজনরি। ইঞ্জো ফর্নান্দেজনা ২০২৫-২৬কী সিজনদা চেলসিগী মহুৎ শিন্দুনা শান্নখিবা কম্পিটিসন পুম্নমক্তা গোল ১৫ চল্লগা এসিষ্ট ৭সু তৌখি। মদুগা লোয়ননা মহাক্না জো পেদ্রোগী মতুংদা মমাঙগী সিজনদা চেলসিগী অনীশুবা গোল খ্বায়দগী য়াম্না চনবা প্লেয়রসু ওইবা ঙমখি। ইঞ্জো ফর্নান্দেজনা চহী অসিগী য়ুনাইটেদ ষ্টেটস, কনাদা অমদি মেক্সিকোনা পুন্না য়ূম্থু ওইদুনা পাঙথোকখিবা ২৩ শুবা ফিফা মেন্স ৱার্ল্ড কপ্তা অর্জেন্তিনাবু ফাইনেল তন্না পুশিনখিবদা চাউনা মতেং পাংখিবগা লোয়ননা মহাক্না প্রি-ক্বার্টর ফাইনেল অমদি সেমি-ফাইনেলদা মরু ওইবা গোলশিং চনখি। অদুকমপু লিওনেল মেসিনা লুচিংবা অর্জেন্তিনানা ফাইনেলদা স্পেনগী মখূৎতা গোল ১-০দা মায়থীদুনা মখোয়গী টাইটল কনবা ঙমহৌখিদে।

পনবা য়াবদি, মানচেষ্টর সিটিনা হন্দক মোরোকোগী মিদফিল্ডর এয়োব বোদ্দিবু পাউন্দ মিল্লিয়ন ৮৬তা লৈখিবদা নত্তনা ব্রাজিলিয়ন ৱিঙ্গর এল্লান ইল্যাসসু মমাঙ থাদা চাউরাক্লা পাউন্দ মিল্লিয়ন ৪০দা লৈখ্রবনি। অদুমকপু মানচেষ্টর সিটিনা মমাঙগী সিজন লোইরকপদা সাভি, রোদ্রি, নিকো গোঞ্জালেজ, টিজানি রেজিন্দর্স, জেমস ট্রাফোর্দ অমদি নথান একে য়াওনা প্লেয়র কয়া য়োন্দুনা চাউরাক্লা পাউন্দ মিল্লিয়ন ২৮০ তানখিবদা নত্তনা বর্নারদো সিলভর অমদি জেন ষ্টোন্সসু ফ্রিদা ক্লব থাদোকখিবনি।

নাকল অমরোমদনা, ইংলিশ প্রেমিয়র লীগকী ক্লবশিংনা হঃদক্কী সম্মর ট্রান্সফর ৱিন্দো মনুংদা রেকোর্দ ওইনা য়ু এস দোল্লর বিল্লিয়ন ৪.৭ চাদিং তৌদুনা অতোপ্পা য়ুরোপিয়ন লীগশিং তুংওইনরমখ্রে।

মেঞ্চেষ্টর সিটি মথন্তনা য়ু এস দোল্লর মিল্লিয়ন ৬০০ হেন্না চাদিং তৌখিবগা লোয়ননা চেলসি, টোটেনহাম হোটস্পর, লিভরপুল, ন্যুকষ্টল য়ুনাইটেদ অমদি এষ্টোন ভিল্লা য়াওনা অতোপ্পা ইংলিশ ক্লব কয়াসু অনৌবা সিজনগী মাঙওইননা মখোয়গী টিমশিং মপাঙ্গল হেন্না কনখৎহন্নবা চাদিং চাউনা তৌনখি। ইঞ্জো ফর্নান্দেজগী মথক্তা অতোপ্পা ট্রান্সফর অহুমসু হন্দক্কী ৱিন্দোদা পাউন্দ মিল্লিয়ন ১০০গী মার্ক লাম্থোকখি। মেঞ্চেষ্টর সিটিনা মিদফিল্ডর ইল্লিওট এন্দর্সনবু নোটিংহেম ফোরেষ্টতগী পাউন্দ মিল্লিয়ন ১১৬তা লৈখিবদা নত্তনা মোর্গান রোজর্সনা পাউন্দ মিল্লিয়ন ১১৭তা এষ্টোন ভিল্লাদগী চেলসিদা য়াওখি অমদি লিভরপুলনা য়ুরোপিয়ন চেম্পিয়ন্স পেরিস সেন্ত জর্মেনদা ফ্রান্সকী ফোরৱার্দ ব্রেদলি বার্কোলাবু লৌনবা অহানবা ওইনা পাউন্দ মিল্লিয়ন ১০৭ পীবদা য়াখি। বার্কোলাগী দীল অদু পাউন্দ মিল্লিয়ন ১২৩দা হেনগৎলকপা য়ানা লৈরিবনি। মমাঙগী সম্মরদা প্রেমিয়র লীগকী ক্লব ২০না ট্রান্সফরগী চাদিং তৌবদা অহানবা ওইনা পাউন্দ বিল্লিয়ন অহুমগী মার্ক লাম্থোকখিবনি।



SL/B(KK)/31 (one month)

Owned and Published by Waikhom Meghachandra Singh on behalf of Nongpok Publishers Pvt. Ltd. from Khwai Brahmapur, Nagamapal, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Kongpal Kongkham Leikai, Imphal East, Imphal-795005, Manipur
Editor: Dr. Khaidem Athouba, RNI Registration No. 31350/ 77; e-mail sanaleibak.ads@gmail.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com